নিংথোমচানুপী তিলোতমা

S. G. S.

নিংথৌজচানুপী তিলোতমা

—:(*):—

অইবা :
সিংগাম গৌরনিত্যাই

ইম্ফাল, মনিপুর।

অকোংবা :
এম: গৌরনিত্যাই

কপি মুশিং—১০০০
ইং ১৯৮৩

মমল লুপা ৪ ভনি।

নিংথৌ মচানুপী

তিলোতমা

অহানবা তাংকক

ফজববু উৎননবা ফজবী হায়বী লাইরেম্বীহুনা
থারকইবা 'ফজবা লৈবাক' তুদগী খুদোল ওইনা
নিংথৌগী মচা তিলোতমানি ওক্লরিবা তাইবংনা।
উক্লইনে নোংমদি ফীমোৎ শেৎপা কোকফাবা মুপামনা
'হুক ফজবী 'হুক লুনা তৌজবী নিংথৌগী মচানুপীদো
উবদদা কল্লকচখি থমোয় পানবা মীওইবা ওইখিবনা
নুপী ফজববু কল্লকুবা করম্বা নুপানো সনাবু পামদবা করম্বা নুপীনো;
চংশিন্দুনা হংজরুই থোঙ্গান ওাকপা সিফায় অমদা
"কনাগী মচানুপীনো 'সুক ফজবা" হায়না নুপাহুনা।
"হন্দোকউ, নিংথৌগী অতাংবী তিলোতমানি মথমোয়গী
রানী কায়না মৈশাদো খাংজরিবনী মমোমসে য়েংহুনা।"
"কয়ামুক ফজবা রানীগী 'সুক ফজবা মচানো?
ওঃ মালেম সুক নিংথিনা শেম্বা নংগী থৌনাসু লৈবোই
মালেমদসু স্বর্গগী লাই মচাশিংনা কুমথরকুনা শান্নরবোই।"
"হন্দোকউ, লমহেনগসু চেকশিন্না ওাকলিবা লৈকোমগী লৈরাংনি

মবুং অনিগী মথক্তা শাৎপীনি—কেথোক-মৌথোক লৈজবীনি।"
অম্মুম্না ঙাংনরিঙৈ খোরকই তিলোতমা শেন্নবীশিংগা—
চৎলি থৌশাদনা মুপা অমম্নুং লিফারুহুবু—
ইম্নরকই মুপাহুম্মু, হায়রকই—,"ওঃ তোল্লবা থমোয় !
করিগীদমক নহাক্না মুক ফজবী'সিবু মুংশিবদা লুপচরুবা।"
চাইরোন্দো তাবদা উশিৎতনা নোক-খেহুনা মুপীশিংদো
চৎলি মুপাহুগী মমাংদা অঙাংবা লৈগী পারেংগুম
গুলাপতুনা ময়াইদা থোইদোক হেন্দোক নিংথিবী;
"তনিকচরবমু থব্বানমীচাক্তি ইকদা ফজৈদো
ফজবদি ইগুমতা শুমহৎলিদো—শুমহৎপদি ফজবনিদো,
থমোয়দদা শুমহৎপনি—মুংশিবদি থয়োয়দনিদো
হকচাংনা খাম্বা ঙম্বপোৎ নত্তে" হায়জৈদো মুপাহুনা
তাবিদনা চৎখি—নিংথৌ মচাম্নুপী তিলোতমা নিংথিবীদো।
"ইসঃ থমোয়, নংদি ঐনা হায়বা ইন্দবোইরে
রাজগে পংহুনা নংনা অরেম্বদা মীকারুবা
উবদা নিংথিবী অহুবু কল্লক্তুনা ফজবা পাম্বা নংনা
নিংথৌগী তোমশাৎনবী মচানি মবুংশিংগী মুংশিথোয়বীনি
কল্লক লাথ লৈবনি পামজ মশিং থিঙমদবনি—মতিকচাবনা
করিগী হুক রাখন থেনবা ঐনদি লৌশিং চাওই থমজবা থমোয়।"
'উং, মাগী অয়েকপা মানবা পিগুমদো, কোইরাওনবা মীৎম্নাদো
গুলাপকুম্বা থজাইদো তয়াল মানবা চীনবান্দো
ছীরানা শাবা মাল্লবা ভগুপ-তগুপ্পা য়াশিংদো—

পুম্নুম হাইথরকপা অপিকপা, ফজবা খোংথাপিংদো
লাইয়েকপা কয়ানো তাইবংদা মাগুম ফজনা য়েকওখ্রা'
"লমজেংবা থমোয়। অমবেলগী মতাংলিঙলি লময়ুক্ষদুনা
অহুম্না মহাক্না ঐহাকপু য়াম্না ৱাহল্লগনিনে থমোয়—
নিংথৌগী মচাহুপীনি, অচৌবা লাখকী তান্নবা লৈরাংনি
নংবুদি করিস্থু খংবিরোই লাইরবা অ:ঙাথপা অজোমম্ব।"
'ওঃ শক ফজবদি পুকচেলস্থু ফজবনি, ফবনি থংট্টি
শোয়দনা মীহুংশি থংবনি থমোয় চাওবনি
লাইরবনি হায়না করিস্থু ঐবু নোক্নবিরক্লোই
নিংথৌগী মচাদি শোয়দনমক থমোয় চাওরমগনি
মীচম কনাগুম মীবু নোক্নবগী, হুম্বগী থমোয় লৈরম্লোই।'
"অহুবু থমোয়। ঐদি কীজে নিংথৌগী মচা ওইহুনস্থু
অফবা, ফজবা হায়বহুদি পায়বনিদো মী ওইবনা
নিংথৌস্থু মানিদো অহেনবা অফবা পাম্বা
চাকনিবা কনাগা চামিন্নবদো করম্বা নিংথৌনো
মপা মপু অতোনবগী মচাবু লাইরববু, মহৈ হৈতববু
পামজনা থনবা তাইবংদা করম্বা মুপীনো,
মুপী ওইবীশিংদি—মহৈ হৈবা, শক ফজবা ইনাকখুম্বতবু মপুন্নোইবা ওইনিংই।"
'নত্তে, লৈবাক্নী মপুনি মশাগী ওইজবা থিদবনি
ঐবুস্থু মুংশিবীগনিনে ফজবী অহুনা ঐহাকপু—
নিংথৌ হায়বসিনা মীচমদগী থরদি কবা মহেন্নবনি

অকবা নিংথৌগী থমোয় চন্নী মচানুপী ওইরমগনি খরই লাইররবস্থু, নংলবস্থু, চমোংনরবস্থু মহৈ হৈজরবস্থু ঐ মালা ঐবু শোয়দনা হুংশিবীগনি—মাদি মীয়ুংশি চাওবীনি লৈবাক্কী।'

মথংগী হুমিংতনি অস্নুমা মাগী থমোয়না ওখসে য়েংদবা ওমথিদে তিলোতমাবু থমোয়না ইনশিন্দুনা. উবদা তিলোতমাবু—"নিংথৌগী মচানুপী ফজবীও, ঐনা নংগীদমক লাকচরিবনে, ঐগী অন্নাবসে খংবীরো ঐগী থমোয়নদি নংবুদা শোন্দুনা লৈশ্রেনে, ইবেম্মা।" চংখি, তাবিদনা তিলোতমা শেন্নবীশিংগা লোয়নননা নোক্নহুনা চমোংনবা অঙাওবগুম্বা মুপাহুবু ইকাই-নাইদবা "ঙাওমাল্লে" "ঙাওমাল্লে" হায়নজে মহৈ মহৈ চংনা চংনা। থর লৈরগা নোংমা থমোয় লাকপা ওমদবা মুপাহুনা, খংজদবনা হঙ্গোইনা খনবা মুপীমচাশিংহুগী মতোদো চংলুরে য়েংনবা ফজবা লৈরাংদো থমোয়না মুংশিজবদো উবদদা, "আঃ ফজবা, নংবু করিনো শেম্মীগবা ফজবা-নিংথিবা—নংদনিন্নে তাইবংসিদা ফজবসে।" তাবদা তান্নিংদবা ব্লাঙাংদো তিলো অমদি শেন্নবীশিংহুনা হান্নরকই—মনোরমানা, "অঙাওবা," সুলোচনানস্থু, "অঙাওবা তিলোতমানস্থু "অঙাওবা," মধুমতানস্থু "অঙাওবা" নিন্নে অতিয়াদো "অঙাওবা" হায়হুনা নোক্নবগী খোন্না, পংলে নাকোংদো হুপাহুগী পুং-শেম্মা য়ৈশল্লবগুম

থমোয়না হায়বা ইনবা, থমোয়না ওস্থা পাখংদো
ঙাংশ্রে মমায়দো চিনিদগীসু হেন্না—ইকাইখিবনা
খল্লুহনা "আঃ ঐবু থমোয়না ইনশিন্দুনা অঙাওবা হায়হল্লবা,
লাইরজরবসু কনাদগীদি ঐহাক নিরুবা লৈতে, হুরাল্লুদে
কৈদৌঙৈদা ওইজবা ফংনবা মীনমল্লুদে, খৎন-চৈনরুদে
অহুবু 'অঙাওবা' ইসঃ 'অঙাওবা' মালেমসি নিনবা
ইসঃ অঙাওবা, থমোয়না হায়বা ইন্দুনা" হায়না খঞ্জহুনা
ইকাইরবা মুপাদো চংখি মফমহুদগী লাপ্পা লুকথহুনা
ইকাইবনা তুথরবা মীস্নাদো অউবা কনানা মুংশিরোইদগে?
খল্লি থমোয়ল্লুংদা, "করিগীনো 'সুক চাওবা নিংথৌগী মচানা
মীবু নোক্লবা, উশিংতবা থমোয় চেনবসিবো থাজদনা
ফম চাওবদা নত্তনা থমোয়সু চাওগদবোই নিংঙ্ই
'হুবু খেন্নে মীওইবা খনবগা তৌবগা ওস্থোকনা,
ওঃ ইকাইখরেদা 'অঙাওবা'" হায়না খন্থরুবদদা
নিল্লকই মুপামচাশিংগী নোক্ল খোন্দুনা মনাকোংদা
মেনশিনজৈ চেৎনা মনাকোংদো খাজৈ ল্লানা নোক্লবদো।
অহুবু হায়রি থমোয়নদি অমুক, "হনগমু, পোংগমু
নোঙ্গবা, হায়জবা কনাগী মনাংদা খাংগদবা তমথীবা কনানো,
নিংথৌগী মচানি অতোপ্পা থমোয়'মদি মরৈরম্মগনি
মীবু ইকাইনবা হায়বগা নিংঙমদবনা চাকল্লমগনি,
শোয়দবনি—মাস্থ মীমি—মরাল লৈতবা মীদা চৈরবদি
নিংঙমদবনা কপ্পা শোয়ত্রবনি" খেমহুনা মুপাহুবু।

অচুম্বনি কোম্মুংলোমদা তিলোতমাস্থ মীবু চৈরুম্বনা
কৌশিন্দুনা, খ্বাইদগী চান্নবী মতা মনোরমাদা—তুমিন্না
"ইতা মনোরমা ; য়ানিংত্রবস্থ তুমিন্না লৈথোক্লম্লবদি ফরমগনি
ঙাংথোকতনা থমোয়দা খনবনহুম হেন্না অশিংবী তারমগনি
ঐখোয়না অঙাওবা হায়না নোক্লবদা ইকাইবনা ঙাংখিবা মায়দো
লক্লবীরে—ইকাইনা খুম্মদনা পাঙ্গল থোক্তনা চংখিবা মতৌদো ;
মীবু লক্লবা হায়বসে তৌহৈদবা থবক্নিদা ইতা।
অঙাওবনি খন্দুনা তুমিন লৈথোক্লবা লাক্করম্বনা ফরম্বনি
নিংঙমদবনা ঐহাক লৈফম খংদরে—মসিনহুম থোয়না ফত্তরে
মাবু মুংশিনবগী অচৌবা মচাক অমহুম ওন্ন তৈন ওইরক্লে।"
"ইতা, থোইদোক্না মুঙাইতবা তৌবিরুম্নুদা মী হায়বসে সিঙাক্তনি,
মাবু তশেংনা অঙাওবা অমনি খন্দুনা হায়খিবস্থ নত্তে
মাবু ঐখোয়না হাক্লমক তুক্কচহুনা হঙ্গোইহুনা হায়খিবস্থ নত্তে
চুম্না পাখং-লৈশাবী ওইবগী পংঙাং ঙাংনবা হায়বহুনি।"
"মনো! ঐখোয়নদি পংঙাং ঙাংনহুনা নোকইবা
ঐখোয়না নোকইবদো মাঙোন্দদি ইকাইবনি ঐখোয় খংদরে—
ঐহাক য়াম্না নিংঙমদরে, মনোরমা, মী নোক্লবা হায়বসে তোক্লসি।"
"নোক্লবা নত্তে, লৈশাবীনা পাখংশিংদা লক্লবনিনে তিলো,
নংনা অহুক ম্নারবদি—অমুক লাকপদা শাওবিগম্থ হায়জহৌরো
খন্নীংবা কনাগী মফমদদি করিস্থ লৈতবা থবকস্থ মরুওইবনি।"
"নত্তে, মনো ; অহুম্না লাম্না খনগস্থ নহাক্লা ঐবু
অঙাওবা হায়বা মীংহুনা পানবদা ইমাম্নবশিংগী মমাংদা

মানা ইকাইখিবদো—পাখংশিংগী মমাংদা নঙোন্দমক থোক্লবদি।
ঙাকপিয়্ হায়জগে লেপ্লে ইতা, ঐখোয় হায়জসি—
অহুদগীদি ঐখোয় ব্রা'মফাও ঙাংদনা তুম্মিন চৎনসি
মহুনা অরেম্বশিংদা তারগদমাল্লে—চান্নবী মনোরমা।”
অম্মা হায়জগদবগী লৈনৈ তিলোতমা অমম্বুং মমান্নবশিং
ইকাই লাংনা কুপখিবনা পাক হেক থোবদি মুপানম্বু ওইদবনা
মুমিং কুন কুনথরানিদি মুপাহুবু শক উবা ফংব্রবদা,
“মনো, ঐখোয় চান্নবী ইতা, লাকত্রে মহাক অদো ইকাইবনা
করিনি খল্লিগনি ঐখোয়বু মীবু হুক থিনা চৈবদো
মাগী থমোয় অহুদা ঐখোয়দবু খল্লিনি—
নোক্লচাওবীনি হায়না ঐখোয়দা মীংচৎ থিজবনি।”
“লাকত্রবদি ফরেনে অরেম্বদা খন্দুনা ব্রাবিরে ইতাদি
অঙাওবদো লাকত্রে থোইনা হয়াওগরা হায়রগা
হেন্না ব্রারবোই ইতাদি উত্রগম্বু মুংনাংলবোই উনিংহুনা
মুঙাইজরে ঐখোয়দি চমোৎনবা, মথোং চাদবহু উদবদা।”
“করিনোনে, ইতা, ঐখোয়না নোক্লহুনা চোপহনখিবদো
হায়জহুনা শে দোকনি থমোয়গী নিংঙমদবসে কোকহনগনি
অহুদগী উত্রবম্বু, লাকত্রবম্বু মুঙাইরেদনা— মানবুদি কৈদৌজগনি।”
লাংতক্লজে তিলোতমা অমোনবা মোনপাক মথক্তা
থোয়না শাওনিংই মতানা অঙাওবা হায়না পনবদা
মতিকচাবা ইমুংগি মীদি পুকচেল চাওই, তৌবিমল খংই।
নোংমনি লাকনি থাজরুদে উনিংবা মশক্তো— উবদা

চৌরোল তৌনজৈ চান্নবী মতাশিংগা, ইয়ৈ, "নং হায়য়ু, নং হায়য়ু"
মাংজখিবনা মপুকতো লোংখৎপফাও ঙমজখিদে তিলোদি মমাইদো
অস্নুম্না লৈরিঙৈ হায়রকই, "লাকচরেনে অদোমগী অঙাওবদো
য়েংজনিংবনা 'নিংথৌগী নিংথিবী লৈরাং অহুবু
অঙাওবা হায়বনা, অঙাওবা কৌবনা থমোয়বু খাম্বা ঙমদরে।"
অসি তাবদা মমান্নবীশিংদো ব্রা ব্রা নোকই চোইরোনঙুম
নোকফেৎ তৌরম্বদগী তিলোদি তুমিন লৈখি মাই মল্লা
ব্রারোহুনা মমান্নবীশিং অহুনা করিগীদমক 'হুক হৌনা নোকপা,
খাম্বদি ঙমজদ' মশিং য়াম্বনা মমান্নবীশিং অহুদি—
লেপ্প লৈতে মুপাহুদি, "'হুকসু শক ফজবী
'হুকসু লাইরিক হৈবী নখোয়না মী নোকুবসু হৈবোইরে
ঐহাক্তি শক ফজবীদি মীমুংশি চাওরমগনি লাইরিক হৈরবদি
পুক চাওরমগনি
খঞ্জরুই—অঙাওবা ওইহুনরা অথেনবা পুক পানবা;
আঃ অঙাওবা, ঐহাক্তি থমোয় পানবনা অমত্তং
নংবু মুংশিবনা চিক্লে থমোয় পান্দবী লৈগী জাৎজা পোকপী
হায়নৈ লৈশিংসু থব্লাই পাল্লি—অহুবু কদাই ফজবীহুদি।"
হায়জগে খনবা ব্রাখল পূম্বা কাওখরে—নিংথৌ মচাম্নুপী
ফোংঙমদবা ব্রাইচিনবা অমনা ওৎলরে থমোয়দো
ওঃ তুং হন্না য়েংনিংবনা ,অহুবু ইকাইবনা মমান্নবীশিংহুবু
"মনোরমা" হায়রপদা তিলোতমা মমান্নবীশিংগা চৎখি মুন্দা।
নোংমসু লম্বীদনি মনোরমা তিলোতমা অনিনা

হরাও-মথোই কানা চংলিউ সুপাহুনা য়ৌরকপা.
অচিকপা তাঙ্গানি থমোয় কোংদোকপা য়াখা খল্লি,
চংশিন্দুনা হায়রকই, "কৌবিরো ঙসিস্থু অঙাওবা হায়না
লাকচরেনে অঙাওবদো থোইনা নংবু য়েংজনিংবনা
অঙাওবা চৈরে ইকাইদরে থমোয় মানা সুংশিরুরে
হায়রম্মুকো ইচলও, নংদি নগুণ লৈবীনি, নংদি শক ফজবীনি
থৌজানবা থমোয়সু লৈবরা নংদি ঐবু সুংশিদরা— ?"
'করম্বা হুগী তেম্নোনে অস্থক কন্না থমোয়দা থাওম্বা'
খল্লিৗৈদা তিলোতমানা মাগী মতা মনোরমানা, "তাদ-ও,
ইতাদি নিংথৌগী মচানিদো সুংশি চৈথেং ফংদ্রিবীনি
তাদ-গুম্বা কনাগী মফমদা ইতাগী পুন্সি কংচরোই—।"
হায়রকপদা—থমোয় থাংবা ব্রাহুনা তিলোতমা হায়জরকই—
"ইতা, হায়রুরগনু, অপংবা সুপীশিংনি ঙাকপিয়ু,
নহাকতি পুকচেল চাওবনি অপংবীনি ঙাকপিররোইদ্রা ?"
"করিগুম্বা অঙাওবগী থমোয়না সুংশিজবা অসি থংবীরবদি
অঙাওবগী থমোয়সে সুংশি মৈতনা ঙাওরে হায়বা থংবীরবদি
অতিয়াগী থাজবু ফংজানিংহুনা ঐনা ঙাওজবসে— ;
থংবিয়ুকো মীনুংশি চাওবী—থৌজানহৈবী নিংথৌমচা ওইহুনা—
আঃ অতিয়া তংখাই 'মবু ঙালহনবা থরানমিচাক।
নংনা ঙালহুনা ঐগী থমোয়বু কায়হনখিবা
থংবিয়ুকো ঐনা ব্রাজবসে থমোয় পান্দ্রবসু—থাজ,
ঐনা থংজৈ নিংথৌ মচানি শোয়দনা ঐবু নোক্কবীনি

অহুবু মুংশিবা। থমোয়না থাবা য়াদবা।
হোঃ অন্নাংবা শংবানবা লোংলোন পাকপা চীং
করিগীদমক নংনা 'হুক ম্লাংলিবা-ম্লাংহাক্লিদেদা।
থাজ নংনা অত্তিয়াদা নীংঙাইদনা ঙানমদি ম্লায়োইবা
মালেম নংনা পাকপক্ম মীহৌইদা
মুৎথৎলিংই, মঙং হোংনিংইদা মহৌশা হায়বীসে
ঙম্নয়োইকো তেংথানা কপঙুনা ঐ লৈজরেকো।"
হায়রকপদা তিলোত্তমা ম্না'মতবু খুম্বা ঙমজদে,
"মুপা ওইনা পোক্লগবু করিগী অহুক ম্লায়োচাঙগনবা
থংঙে মুপা ওইবশিংদি লৌনম নমথাক হৈবা ঙাক্তনি
লৌনমহুনা ঐবু ম্লাহনগদবগী তৌবিরেনে ইতা" হায়হুনা
তিলোত্তমা মনোরমা ময়ুম পাংনা চৎথি।
"হোঃ কোকিল, হো খোইনিং, হো ভায়া, তেনবা
করম্বা যন্ত্রগী মখোল, বীনা, সিতার তানপুরা
মুক মুংশিবা খোন কদাইদা কংগবা কদাইদা তাগবা।
ওঃ তাইবং পানবসে নংগীদ ওইরবোই নিংই মুংশিবা
নঙোন্দা পূম্নমক থম্বোই মুংশিবা মনাক্তা
মুংশিরুবা কমাগী মফমদা মুপী মুপানা তেম্ন পাম্নবা
চাওই খঙবা থমোয় পীকথিবোই থংহৌদনা মুংশিবদা।"
শোন্দুনা লাকচৈ—থমোয় মরাং মরাংলহুনা মুপাদো।
চংগ্রগা ময়ুমদা নিংথৌ-মচানুপী নিংথিবী তিলোত্তমাদো
মনোরমা কৌবী মতা অহুগা অনানবা 'চৌবা কাহুদা

ফমহুনা তান্নৈজে—লক্কী মনোরমানা, "মী হাক্লবদে
মতম্মদি মৈরেবোইরে—অঙাওবদো নিংথৌমচা্ কমদে
অমোৎপা ফীদো লনা-কীগেওমদে-ইরং অংদে,
করম্বা লাইনা শুম্বীহুনা ত্তৌবা ওইরিগবা ওকইদা;
করি মন্ত্রবু ভৌরমহুনা ছুক হজোইরবদো কোকপ্রবা
নিংথৌমচানি হায়বমকপু হেক কাওহনখিদা থাজদনা।"
"থংদেনে ইত্তা, ইথং থংহৌদে থমোয়না ইমুং হুংশিখিবসে
হৌজিকস্থু খোইরাংলি থল্লুহুনা মাগী হুংশিবা ল্লাঙাংদো
মাতবু থন্দুনা পুকমুংসে খোইরাং নিল্লাংহুনতা লৈবসে
করিনো মাবু থল্লোই হায়বা ল্লাখলসিনা ইওম ওঅদবসিবো।"
হায় তিল্লোতমানা ওৎলবদা থমোয়মুংদা মতৌমনা।
"পুকমুংদা খোইরাং নিল্লাংলিবদো ইত্তা, নংদি থংইরোই,
ল্লাখননা মাদবু থল্লিংহুনা লৈবদো নংদি চিংনরিরোই
নত্তৌ উবদা ঐদি ল্লাখিবনা খাংবা ওমদরে
কম্না হায়শি হায়বস্থু ইথক থোংবনিনা ওমজদরে।"
হান্নৈজে মনোরমানা মতাগী থমোয় ল্লাবদো থংহুনা;
তিলোতমানা, "হায়য়ুনে ইত্তা, ঐসে নংগী নতানিনে,
নত্তাগীনা থল্লাইনে অক-ফত্ত নং ঐ অমতনিনে
করিগীদমক হুংশিবা নতানি হায়রগা নংনা লোৎপগে
নহাক্কা ঐবু হুংশিদ্দরবরা করিগী ঐবু চিংনবগে?"
"ইত্তা! বসন্তগী লৈরাংবু পোম্মীতৈদা মাংহনগনবা
তীন অহুনা চীক্ত্না ইত্তাবু মাংহনপ্রগজা খজবনিনে,

মীওইবা ঐথোক্লবু 'লম্মখাংদা' লম্মুক্লইন্দুনা মাংহনবা
মুংশিবা কৌবা তেন্দুনা মামা পাল্লবরা হ্রাজবনিনে।"
হায়জে মনোরমান্না—। খুম্মকই তিল্লোতমানা—,
"মীনদি হায়নৈ মুংশিবা হায়বদো মগুণদি চাওনা
অচুবু নোক্লিংঙমই তাবদা মুংশিববু মগুণ চাওই হায়বদো,
অচুবু করিগুম্বা ঐগী থমোয়গী মুংনাংবসিম্মু কনবনা
মুংশিবা হায়বচুমক ওইরক্লবদি মতিকম্মু খরদি লৈগনিকো।
মুংশিবা হায়বদো ঐহাক মশক খংবা মুপীমচাচুম্মু নত্তে
মুংশিবনা করি তৌবা ঙমই খংবা মুংশি মথা পোনবীম্মু নত্তে
তৌইগুম্বম্মুং ইতা ঐগী, থমোয়সে চিকপগুম, নাবগুম
নংদি করিগুম্বদা অমুক্তা তৌখিদ্রিবরা ঐহাকীসিগুম।"
"ওঃ খংলে ইতা, নহাক মুংশিবা হায়বচুনা নারে—
মুংশিবদি চুনি—চারুরবদি শোয়দনা খরদি শোক্লে,
মুংশিবা হায়বচুবু ইরাৎ-পুজা তৌচুনা থেমনিংবা পোক্লে
নত্রবদি—মহাক্লা ইতা নংবু ওস্থোক্লা হ্রাহনবা তারে—।"
"করিগীনো ইতা, মুংশিবা হায়বসিনা মীবু হ্রাহন্দুনতা লৈবরা
ঐবুম্মু মহাক্লা হ্রাহনবতা নত্তনা নৌরিভৈদা শিহল্লগত্রা
মহাকতুবু মুপীমচা ওইবী, তনৌবীশিংদম্মু মীমুংশি থক লৈতরা
অভৈদা তৌবগুম অপংবী ঐঙোন্দম্মু শোয়দনা তৌরগত্রা?"
"ইতা, তিলো; তৌহল্লগনি নিংই মহাক্তি য়াম্না তৌবা ঙম্মী
মাবু খংদচুনা লক্লরবা মীশক্তুম্মু ঙাকপিদে—লাক্লবী
অচুম তৌচুনা নহাশিংনা হ্রারবদা মাদি হরাওনা নোকল্মী

মীনা ৱাবদো মহাক্তি কুম্মৈগুম্না মুঙাইনা য়েংগল্লী,
মতুতদা মহাক্না পেল্লহুনা খাক্না খাক্না নোকল্লী—
লাইরিকশিংদা, থোদোক্তা মাবু মগুণ চাওনা থাই
ইতা, নংসু খংই কয়াম্না মগুণ চাওবা নংসু তাই
ঐনা অমুক হায়রুবগী কান্নবা লৈতে—নংনা হেল্লবদাই।"
"ন্যরে ঐহাক্তি লাই ওরুরুবা মী কনাগুম,
কনানো লাইয়েংবা ঙম্বা, নতাবু মুঙাইহনগদবা মীশক্তো
লাইকন্নরো ইতা, নংনা চান্নবী নতাবু কনগে খনবদো
তাকনবা অনাবগী অফবা শেন্নবী অমনা তৌবগুম
নত্তুনা মুংশিবনা ঙমঙ্গবদি ঐহাক শোয়দনা ৱারগনিক্তো।"
অস্নুম্না খন্নজ্রে অপংবী মুপীমচা অনিদো নিংথৌকোনগী
মনোরমানা তিলোতমাগী মপাবুং নিংথৌদা হঙ্গংখরে
খোদোক পূম্বদো তিলোত্তমানা মুঙাইফম খংদনা লৈবদো,
তাবদা কৌশিন্দুনা মপা নিংথৌনা তিলোতমাবু হংই,
"তিলো, ইপাগী মুংশিবী তিলো—ইপাগীদি থব্বাইনিদো;
নবুং অনিগীনা ঙমোক্নীদো—খুম্মুনে ইপা ৱা'ম হংগেদো—
নতা মনোরমানা হায়রিবশিংসি চুম্বনে ইপাগী তিলো?"
"পাবুং, অচুম্বনি ইতানা হায়বা পুম্বা অচুম্বনি
ঐগী থমোয়সে করিনো খোইরাং নিলাতুনতা লৈ,
ঐহাক্না অমোৎপা লুৱাওবা মুপা অহুতবু উনিংহুনতা লৈ.
মরক মরক্তা নিংঙমদবনা অমুকসু হেক্তা কুপ্পীংই
পাবুং তাকপিয়ু, মসিবু ফনবা নচানা করি তৌজ্রো হায়বগে?"

"আঃ নুংশিদা তিলোত্তমা—লাঞ্জত্রিবা ঐগী নুংশিবী ইচানি,
কনাগী মোইথেমদা থক থাজগনু, লৌনম্নী, চীরোম্নী
ম্লাহন্নবা নংগী থমোয়বু কপনিংহন্নবা নহাকপু।
চাওরবনিনা শিংলো—মপা-মপু জাং কত্তবা,
অচৌবা ইমুংদগী নত্তবা, লাইরিক লাইশু হৈতবা
মফী-মরোল নান্দবা মীগা সঙ্গ তৌরুম্নু পুকচেলস্নু মহম্নরম্মগনি,
লাইরবশিংদি ইনাক খুনবশিংগী মচিঞ্জাকনি, তান্নফমনি
মমল হোংনা লৈবীয়্ন কোইহা হাবনি
ইনাক খুনবনা অহাও হাওতা ফজ-ফজদা খল্লিভৈদা
খল্লি চাবতা ফংনবা শেংপদা ফংনবা লাইরবনা।
ইনাক খুনবনা থক হুরানবা অমা ওইরক্লোই,
লাইরবা মীশিংতনা হুরান-চিন্থি তৌবনি হুরানবনি
য়েংউ, অমোংপা ঐখোয়গী পুন্থি তৌবা মীশিংনা ঙাংনবসে
মপুকচেল চাওবগী ৱাঙাং অমতা তাবা ফংদবনি,
শেংপা চাবা, তিন্নবা মরুপ্নী মী অমবু মশক তাকপসে।"
"অহুবু পাবুং, পাবুংনা হায়রিবা অহুগী ভায়োম্নরে
মকোক্তগী লোয়বা ফাওবদা খেন্নরে পুন্নমক ওইদরে—,
পুকচাওবা পাবুং অমদি য়াম্নুংশিংগী মরক্তা
পুকচেল পীকপা ঐ'মা য়াওহুনা শাগৈ নাতৈ চোপহনগদৌরে
মতিক চাবা চৈরাক্তো পীনবীয়্ন নচাদা লমহেনবগীদমক্তা।"
"কান্নগী চৈরাকনো ইপাগী তিলো, ইপাগী থন্নাই।
নংনা কনা লম হেন্দুনস্নু খুৎপাক্লা শেং থাঞ্জবরা ঐনা

খল্লো রাখনসে হুণ্ডাইবা—নংবু নয়াম্বুংগী মরূপত
মেজিষ্ট্রেট দোরেন্দ্রশিংদা পীখোল্লবনি নয়াম্বুংগা ইপাগনা,
ঐখোয়দগী মখোয়না হেন্না ইনাক খুল্লিদো, হুণ্ডাইদো
মপাবুং ইঞ্জিনিয়ার সাহেবনিদো, মচনুপী প্রোফেসারনিদো
জীপ, কার সনা-লুপা কোল লীক, কী-রোলগী মকোন্নীদো
ইপানম্ব ইচাগী জীপ, কার স্কুটর উনবীনিদো;
ইনাকখুনবা, মতিক চাবা মপাগী মতিক চাবা মচানি—
শক্তা চুদা, শাঙং-শাবান্দা নংস্থ উরে কয়াদা নিংথিবা
মতিক চাবা মমা মপাগী মচাদি মতিক চায়বনি খংউ,
নুপীমচা ওইনা পোক্লবী নংদি অফ-ফত্ত য়ান্না খনগদবনি
নত্রবদি নংসে তিলো নিংথৌগী মচানি হায়বদা মমল কাওররোই।"
"অতুনস্থ ফহনবা ঙম্মোইদৌরমাল্লে নচাগী থমোয়সে,
মতুনতুম থোইনা নচাগী থমোয়বু মিপায়হল্লেনে।
নুপাতুবু কৌশিন্দুনা ঐখোয়গীদা থম্লগা মতিকচানা লৈতেংলবদি
লাইরিক লাইশু নিংখিনা তম্বীরবদি মাবু শেম্বীরবদি—;
মশক-মতৌ শাওং শাদাদদি লাইগী মরক্তস্থ লৈরম্মোইকো
মামুক মুংশিবদি মফম কৈদ ফংগনি নীংদেদা পাবুং,
মচানুপীবু মুংশিবা মপাতু ওইরবদি পাবুংনা
ঐগী থমোয়গী হুণ্ডাইতক্সে কোকহনবীয়ুকো পাবুং।"
হায়রে তিলোতমা মচিন থোক্লা হুংশিবা মপাবুংদা,
"রাক্তগমু, তিলো ইপানা হায়বা ইল্লু-ইপানা রাদনবা
নংনা মতমমদা হায়খিবদায় 'পাবুংনা' হায়বা ইনগনি' হায়না,

হোয়, ঐহাক নুপা অদুগা উন্নখিগে—তিলো নাগনু নংগাদমক্ক ইপা লৈ, ঐনা হিংলিবসে ইচাগীদমক্তনি খংঙো।"
অসুম থেমজিন্বী—মপুক্কিংদদি খল্লি—"লমহেনবা নুপামচাদো থীনা চৈছনা থাদোকখিগে ম্বাদ্রগা মহাকপু লাকুগে।"
অসুম শনবা নিংথৌগী নিংবা থুংনবা নোংমা নুংথিল নুপাহুনা লাকপদা মনোরমানা তাকতুনা কৌশিল্লে কোন্নুংদা থোংঙাকপা নুপা অমনা পুশিল্লকই মহাকপু কোন্নুংগী কা'মদা।
উজনিংবা শক্তমবু উজবদা লাংতক্তজে তিলো মথমোয়দো তনিক তনিকচৈ করি হায়রক্কদগে খনবনা মথক্লাইদো মবুং অনি সুরেন, অমর য়াওই; তিলো, মনো ফমই মপাবুংনা ময়াইদা ফমই—নুপাহুনা মতাই ওইনা ফম্মী চৌকি অমমমদা নাল্লবা, লুহেল্লবা কোন্নুংগী কা'মদা।
"নমিংদি করি কৌই নুপামচা" হংলকই নিংথৌহুনা;
খুম্মকই, "গোপিন কৌই—ময়াম্নদি ঐবু গোপিনাথ কৌবী।"
"নপা নমিং করি কৌই, কদায়দা লৈ করি থবক তৌই নচিন-ননাও কয়া শুই মমিং করি করি কৌই?"
"ইপা অদো বোবেন কৌই হায় শিখিবা য়াম্না কুইরে ইয়াম্বা অমা লৈরম্মী, অদুসু কুইরে মাংখিবা মক্কম খংদনা ঐগী কনাসু লৈজদে হৌজিক অতপ্পী ইমা অমা নত্তনা লাইরবদদি মীগী মরক্তগী খাইদগী লাইরবা মীশক্তনি;
অদুবু ঐগী চাওরবা থমোয় অসিনদি ঐবু হৌজিক ফাওবা হিংহল্লি ইমা লাহুনদি ঐনা লৈরিব্রমখৈ ঐগী নাক্তা লৈন্নিংই হায়।"

খুমই—পুকচম্বা পাখং মচাহুনা কীদনা—,
"লাইরিকতি কদাইক্তাওবা তম্মে, করি কনোঞ্জদা তম্নী—?"
"ঐহাক করিগুম্বা কনোঞ্জ অংদা তমহুনা হৈহক্নে
তাইবংপানবা অলিদদি ঐহাক অফবা ছাত্রগুম তমজরি
মীনা হায়নৈ—ঐহাকসে অফবা ছাত্র অমনি হায়না।"
"তাইবংপানবগী ছাত্র—চৎলো মনো, তিলো—" হায়রকুনা
মনোরমা অমস্তুং তিল্লোত্তমাবু তাম্থোকই—
হরাও হরাও চৎখি—তিলো, মনো থুং শমহুনা।
"সুপামচা, নহাক অসে ঐখোয়মা খংলে য়াম্মা মুন্না
মতিকচাবা ইমুংগী মচা মগু মতে—অচম্বনি হায়কলে—,
অহুনা—নংনা ঐগী ইচা তিলোবু ফংলিংবদো কাম্মরোই
মতিক চাহল্লুখো, সুপামচা, সুপী ওইবীশিংনা পাম্নবা
সুপী হায়বাশিংসিদি মতিক চাবা সুপাদবু থনবনি—
ঐগী ইচাদি নিংথৌ মচ সুপী নহাক্কা মুন্না শংলবনি;
অন্নাংবা, অচৌবা মতিক চাবা প্যাম্বা হৌনশানি শোয়দনা
অহুনা কাম্মরোই অরেম্বা আশাদো থাদোকত্ত সুপামচা,
থাজবু ফংত্রে হায়রহুনা তেংথা-নাওইবদো ক্ষেংনিংদে,
অহুনা চৎলো, মতিক চাহল্লুখো মী অমা ওইবা ওন্নবা
নপাস্থ লৈত্রে, লাইরিকস্থ হৈত্রে, ইনাকস্থ খুনত্রে
কমদোনা মী ওইনা হিংগনি হায়রবা তাইবংপান অসিদা।"
তাবদা অকনবা নিংথৌগী মীচৈদো—সুপা-চাহুমা
পূর্ণিমা থাগুম লিংখিরম্বা মায়দো তারমনাই সুখিংকুনখ্রে

খঞ্জে, "ইকাই লাংনা কুপ্লে, মফমসিদা ঐহাক শিরসনু"
অহুবু থোক্লকই তপ্পা তপ্পা কোন্নুংহুদগী ইকাইবা থমথেংনা
কনানা খাংখা ওমগনি নোক্লবা মচৈহুদা নিংথৌগী
ওংলরি মাপহুদা, "অহুনা চৎলো মতিক চাহল্লু খো
মীমা ওইবা ওম্নবা ... ..."
থোক্লকই অম্সুম্না খন্দুনা তোল্লবা ইকাইরবা গোপিনাথ
ইমুংলোমদা মপা-মচা মখোয় অহুম য়েংনহৌই
"ফৈ ফত্তে" নোপিনাথকী মরমদা হায়নহৌই।
অসোমদা খংহৌদনা গোপিনাথপু কৌশিল্লকই মনোরমানা
খাংবা ওমদবা মতাগী শরৌ খাংবা ওমদবনা,
অচিকপা লৈকোনগী মচি'মদা পুশিল্লকই গোপিনাথ,
"মীচৈ থিবা পাবুংগী অচৌবা খোন্দো ন্নারৌবিগনু
লান্দুনতা লৈজরবী অপংবী মুপীমচানি খন্দুনা ওাকপিয়ু
লানগল্লবনু চংজগনলি খন্দুনা 'চৌবা মরাল পীবিনু
মরুওইনা, য়েংজনিংবা শক্তমদো লোৎপ্নগে নিংবিগনু
মপাবুংনা চৈ হায়হুনসু মরাললৈতবী মচাদি নংগীতনি খংবিয়ু।"
হায়জরকই তিলোত্তমা গোপিনাথকা মফমদা, খুম্মই—,
"মুংশিজবীনি হায়হুনা ইকাইবা কোন্নায় নংজরে—
ইতিক ইপা চাদে খংনা খংনা মুংশিজরুবনা ন্নাজরে
খংঝিবা কনা লৈতবনা কনবিনবা লৈতরে—
লাইরবা, লাইরিক হৈতবা অঙাওবনি ঐহাকতি
য়েংজররোই অমুক আকাশকী থাজদো-হৌজিক্তি খংলে

অহুবু মুংশিবা, মুংশিবা শক্তদবু য়েংনিংবা, উনিংবা
উরিবনা অঙাওবা ঐশু থাজদো-কল্লকচৈকো লোম্ন থমোয়না
অহুবু ওইথোক্লরোই মীওইনা পোকপনা ঐহাক্তি—
ৱারৌবিগনু, নিংথৌগী মচা ইবেম্মা, লমহেল্লি হায়নুনা
মুংশিজে হায়বহু মঙাই—পুম্নমক অরেম্বনি—।"
খুম্মকই তিলোতমানা—, "করিগী মুপানবো 'হুক ৱারৌগনবা
হেঃ হায়নুনা অহোয়নহুম মুপা থোদাং তৌগদ্রা হায়রগা,
ঐনদি নংবু মুংশিজরিবনে থল্লাইদগীসু লুনা খঞ্জরিবনে,
নংনা মুংশিবিত্রবসু ঐগী মুংশিবহুদি নহাকনে—
করিগুম্বা ঐবু মুংশিদহুনা হুন্দোকপিগে থল্লকলবা
নংবুদা কৌহুনা ঐনা মকম খুদিং কোয়না চৎলকনি—
মুপীমচানি অহুম তৌবা ঙম্মোই থক থনবিগনু ;
মুংশিবা নফমদদি ঐহাকসে মমল লৈত্রবদি নত্তরা
নংদনা ঐহাক মমল য়াম্মে—ঐগী মিৎসিনা তাইবংদা
নংদবু উরগা ঐগী থমোয়সে পেঞ্জরেনে—
হায়য়ু, নংনা করিগীদমক মীমাম্নদনা লৈ হায়বনো
গঙ্গা, যু থকপরা, জুয়ার শাম্নবা, হুরানবা লমহেনবরা
অহু ফাওবদা ঐগীদি থমোয়না মুংশিজঞ্জবা নহাক্লিকো।"
"পুম্নমক অহু নত্তে—ঐগী মুংশিরবী ইবেম্মা—
লাইরবদনা ঐহাকপু মীমাম্নবদগী কল্লা থিংইবনি।"
"ওঃ লাইরবা, করিসু লৈতবা মরম অহুগীদবু—
নশাদা কৌ—ঙ-নোম্মগা মরাইনা ইনাক খুজ্ররকনি

মী অমনা মাংবসে ওক্তবদনি, লমহেনবতনি—
লাইরবনবু—মথৌনা লৈবা মীদা অপনবা পা হায়বসি তাদে
নথৌনাদবু লৈররদা কৈস্নু লৈতবা লাইরবনা কৈদৌগনি।"
"চুমই, অহুবু লাইরবনা খুদোংচাবা কোঙ্গায় থিংই
লাইরবনা মাংহনবা অকবা কোঙ্গায় লৈ তাইবংসিদা
অহুবু নং ওকনি কমলা পাম্বীদা হৈরাংখোয় পাল্লক্লবদি—
মী হায়বসে পীকপোই নিংলবস্নু হেক মচাওরমই—
অচৌবনি খনবা মীহুনস্নু হেক মপিক্লমই—খংলগা।"
"অহুনি মীওইবা, হোৎনরুরো নংবু পাবুংনা মতিকচাবা কৌনবা
অহুগা মুংশিবা মায়থোংহুদি তত্তনা উহনবীয়্ পাংব্রবী ঐডোন্দা।"
মতমসিদা মপাবুং নিংথৌনা—"করি! তিল্লো, মুপামচা!
ঐনা চৎলো থাদোকপিগ্রবদস্নু চৎলমদ্রি—লমহেন্দুনা
নথম্মোয় কায়খিনি মুংশিহুনা তৌবিবনি ঐহাক্না—
নংনা হুগে খঞ্জরিবা মনিদো নিংথৌগী থল্লাইনি
কৎশ্রবা মেজিষ্ট্রেট দোরেন্দ্রসিংদা—মতিক চাবনি পামজহুনা
ওইরোইদবা আশাদো তৌগস্নু—মীনা অভাওবনি নোক্লগনি;
নশানবু খংজদরা—নংগা নিংথৌগা কয়ামুক থেল্লবা
চুমই, অহুগুম্বা ব্রাখল লৈরম্মোই নপা-নপ্ন অচৌবা নত্তে।"
হায়রকপদা তিলোতমা মপাবুংবু খাম্বস্নু ওমদা
হায়হল্লিংদবনা মপাবুংনদি খংবীদবা মথল্লাইদগী মুংশিবা অহুদা
পেহুনা খাংজখি ব্রাখিবনা করি খনঞ্জগদগে—
"নং মতিক চাদ্রি মতিক চাহল্লুখো মুপামচা

মীওইবা ওন্নবা নত্রবদি নং হিংবদা ম্রাম্না ম্রারগনি।"
থরগী মথৈদ্রি শার্উনিংলমদে গোপিনাথ মপা-মপু হুন্নকপদা,
"ম্রাখা ইবুংঙো, ঙাংবগী পাংঙাং ঙাংবীয়ু চৈবগী চুম্না চৈবীয়
ইপা-ইপুবু হেক পুনরুদি তৌবিগনুদা ম্রাখা—।"
"ইয়া মচিনবু থিবশাই—ঐসে কনানো খংবরা?"
চংশিন্দুনা খুৎপাক্না থাই গোপিনাথ ঈরা চেম্না খাংই,
"পাবুং" কৌবা নত্তনা পাঙ্গল লৈতে তিলোত্তমা—
গোপিনাথনা—, "অহুক চাওবা মুপা'মদি ওইরগা
অসুক পিকপা পুকসু চেনবোইরে থাজদনা, নিংথৌও
মতিক চাদবা মপা-মপুগী মচানা ওসিদি নিংথৌ নথক্না
অচৌবনা চংকদবা শাজৎত্তো তাকপা তারে ঐহাক্না—
ডিমোক্রেসি হায়বা লৈবাকসিদা নংগা ঐগা মান্নরবনি
নংসু পার্লিয়ামেন্ট কাবা মাই ঐসু মাইনে নিংথৌ,
অহুক কত্তবা মপা-মপুনা নঙোন্দগী হেনবা মচা পোকইনে,
ষ্টেলিন, লিঙ্কন কাওর কাওরবা মমা-মপা করনে
নংদি নিংথৌ মচানি—অচৌবা মপা-মপু গুথাংনি
অহুবু পুকচেল অহুক পীকপোইরে অঙ্কুক কত্তবোইরে।
নিংথৌ ওইজরবসু কত্তবা মীদি কত্তবগী নিংথৌ মওইরে।" হায়।
"অঙাং ঙাখা নংনসু ওনখৎতুনা তাকপা শাস্ত্র"
হোৎচিন্দুনা কুই, "ঐগী ইত্তিক খংগনি, হাংলগা লোইরে।"
মকু থিনা কুবিরবদা মনো, তিলো লাকতুনা
মপাবুংগী খাম্মাবে, কপ্পা কপ্পা চাক্কতুনা

গোপিনাথপু চৎহনপ্রে—অচাকপা মীৎয়েং মরক্তা।
অহল্লবীদি লাকখিদবনা তিলোগী মফমদা গোপিনাথ—
য়ারবী তিলোত্তমানা চায়রবী মতা মনোয়মাদা
কপ্পা কপ্পা হায়রক্লনশু, "ইতা, মহাক লাক্তরে
লাক্লরোইদ্রমাগ্নে ঐগী ইনাক্তা অমুক শাওহনা।
পাবুংনা ঐনা হুংশিবনি খংবা হুপাসিদা
করিগী 'হুক তাথিবগে—পাবুংনা ঐবু হুংশিত্রবরা ?"
হায়রজে মতাদা, "ইতা, ঐহাক মহাকপু হুংশিমনবনা ওাওরে
ঐহাক মাগী মনাক্তদা লৈনিংলে হুংশিবা য়ারী শানিংলে,
নত্রবদি ঐহাক হিংনিংদরে তাইবংপানসিদা ঐ লৈনিংদরে।"
মফী-মরোল নানখিদরে মশম-মনা খাও তৈখিদরে
মীৎতা কোইরাওনরবী, শাবান তোংগানজবী, কুচু কুমেন ফজবী
মপুরোইবা কায়নরবী কনাওম অল্লাবদা মশরুক ওইজখি—
হুংশিববু থওইনা খন্দবদো মাবু লক্ত কায়হৌরগা
অল্লাবা ময়া নক্লবনি হুওাইবা মতম লোইরবনি।
লমদাগী হুংশিংনা হুমদা হাইনা-হল্লা খাংজরবী
মপাং য়াওদনা শাংলবী মনা-মফা চেকশিন্নবী
ইকাংথাগী থরো-থম্বালগুমপ্রে, সিংথিজবী তিলোদো
মচাগী অল্লাবা মেন্নবা মথল্লাই হুংওাইতবা কোক্লবা
"লৌরেল্লগী মনাক্তা তাইবং মশক খংহল্লয়া
সনা-লুপা, ফজব কীরোন-খোনথিরগা
হুওাইতবা মরাইনা কোকচাথিনি তাইবং মীনি মহাক্তদে।

মাবু হুত্তাইনা খঙ্বীরগা মবুক মরাইমা ওনজগনি—"
অমুম্বা খাথল তৌবনা লুহোংবগী থুমিং লেপ্লে।
অমুক উথা লৈত্রবদা 'মুক লুবা তানকম অদিদা,
"হিংবগী অমুক কান্নরোই—মাদি অমুক লান্নরোই,
মুংশিগমু য়াদে থমোয়না নিংশিংগমু য়াদে খাথনা
তোয়নমু উনবা নত্তবা—করি মত্রনা ওমগ্রথনো?
মুংশিবনা মুংশিবসে—থমোয় য়াওনা মুংশিবদা
নংদনা মুংশিবা মহেক্লে মুংশিজর্কবা নংতনা মুংশিবনি।
পোকচবগী কান্নদ্রে মপোক মুপী ওইনা পোক্লকপদা
পামজদবা কনাগী নাক্তা মুংশিবা মাবু হুন্দোকতুনা
লৈগদোগী শরুকপুদি অচিকপা লৈথাক অঙ্গুদা
হংনা পোংথাত্নুনা মুংশিবা মাবু ওাইজরুগে।"
অমুম্বু খন্দুনা লৈথরেদো তিলো কনামতদা হায়দোক্তনা।
গোপিনাথনা চংগ্রীগা—মতম থরগিদমক—
অথোয়বা মীংচং ফংননবা পোকক্ষম লৈবাক থাদোকতুনা
মীরম তান্না চংথরে অচৌবা সভা'মা য়াওনবা;
নহা ওইরিঙৈদা মীশিংনা মক্ষম মতম নাইদনা
মতিক চানা লৌশিং তানশিন্দুনা অফবা মীংচং তানবনা
মণি-মুক্তাদগী হেন্নবা লান্নকৌ লৈগে অমুক ফংদবা।
মী অঙ্গা হায়বসে মঙং মতৌনা থিজরবগু
মশাগী ওয়বদি মহোংনৈ মাগী মাগী অপাঙ্বা মতৌনৈ,
কিজেং-চাকচা য়েংলগা মীবু শক খুন্না থংবা ওখোই

তৌথোরকপা কৈদা, মওং মতৌ, ঙাংথোরকপা য়েংজগা থংগনি—
চাওবোই ফবোই নিংবহু হেক মচাওরমদে, মফংলমদে
পিল্লবোই, ফত্রবোই নিংবল্লসু হেক মচাওরমই, হেক মফরমই
লাইরনা লৈহনসু গোপিনাথ মথক থোংবশিংনা চানরীবনা
মাগী ওজা স্বরেননা মাগী বুদ্ধি লৌশিং থংহনা
ফজবা লাইরিক 'মা ইহল্লি পৃথিবীগী চাংয়েং য়াওনবা,
তম্মুত্রবসু অহৈবদি কৈনা অহুম পোল্লকপরা ?
থা অনিরোম হৌথরে য়ানা লৈবসে তিলোনা—
"ওসিদি উগত্রা মনিংই উদে—লাকপা কোবা লৈতরে—,
হেঃ মতম নংদি মচংখি মাদি লাকপা মরৈতে
নংদি ঐঙোন্দা অরাবা অনংবদি পুরকপোরে ;
অমেংবা থোম্মতং তাবদা চেপ্পোকতুনতা য়েংজরে
অহুবু উবা লৈতরে—কয়াদা কনপ্পবা মুপাশী থমোয়নো ?
পাবুংনা থর ঙাংবগীবু—ঐগী অরাবদি থংবীদনা
থোয়থা-লনথা থাহুনা লিংজেল ফত্তবা উৎতুনা
ঐগী মুংশিববু কাওথোক্তুনা লৈবা ওম্বা নহাকপু
নহাকীদমক ঐনা শিবদা করিগী মতিক চারোইদগে
শিরবরা থংবীরে! ঐনা কয়া রাজরমুই হায়বদো।"
হায়না থন্দুনা তিলোতমা, লুহোংবগী মফম ঙাইরকখি
লুহোংবা মুমিৎ ফাওবদা উত্রবদি-মানা তৌগদবদো থন্দুনা।
"অসুবা মতমসিনে ইতা মনোরমা, মানা লাকপদো
হায়রমুদো—ভনিকচরবসু থরানমিচাক্কি ইকদা কইরেদো

ফজবদি ইশুমতা শুমহৎলিদো ... ...
ঐবু থন্নানমিচাক্‌ম ফজরিব্রা ফজহুনা শুমহৎলিবরা ঐসিবু
তাদ্রে মাগী মুংশিবা মপাওদো—লাকচয়েনে অদোমগী অঙাওবদো
য়েংজনিংবনা নিংথৌগী নিংথিবী লৈরাং অহুবু
অঙাওবা হায়বনা অঙাওবা কৌবনা থমোয়বু থাম্বা ওমজয়েনে—
থাম্বা ওমদবা থমোয়দো থাম্বা ওমজবোই, ঐবু কাখ্যোই;
করিগীমু অঙাওবা হায়না চৈজরুবা 'মুম তৌনি খংলম্লবদি—
পৎলসমু মী নোক্লবা ইচিনসে—হৌজিক নিংওমজরক্তে,
উদ্রগা ফগদবোই নিংও্‌ই ফবা লৈতে ইতা—,
মানা হায়রম্বা ৱাশিংনা য়েংহুমশুম্না থমোয়দা থিল্লেনে
ইতা। নতাগী পুন্সিসে তেনগদোরিমাক্লে মাবু উদ্রবদি—?"
মনোরমানা,—"ইতা অহুদি পাবুংদি মাংজরেদনা
নংবু য়েংহুনা হিংজবনি পাবুংদি—ইতানা খংলিবহুনি
অহুক হাক্লা ৱাখিগনুদা ইতা, মী হায়বসে সি ওাকুনি,
কনাসু অপাম্বা থুদিংমক থুংবা ওম্বা নত্তেদা
ইতাগী লুহোংগদবা মঙানিদা ওাইরে পাবুংনা হায়রম্মে
মুপীদগী তোপ্পা মী মতিক চাবা মুপাগী মনাক্তা—
তোৎনহুনা, মুংশিনা থেম্বা তারগমু করকপা মম্লাইদা
ঐনা হায়বসে য়াও নত্রবদি ইতানা পাবুংবু হাৎপা শকচগনি।"
তিলোত্তমানা, "অহুদা ইতা, নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপা
'ৱাবসিনা
ঐদি ৱাররোই খঙরবনি—অহুদা ঐগী থমোয়সিনা

'স্নুক শোক্না রাপ্রিবসে! 'স্নুক শোক্না হুভাইতবসে
ঐ অনুক্না থেংনখিল্লা—কনি হায়গদগে থংদে ইতা,
দাবা, খুরুপা য়াদে, ভুম্বা হিক্সা মকম থংদে
মরম মরক্তস্থ পংকত্ত কক্সিংই কপ্পস্থ য়াত্তই ইতা,
ঐবু শেমজিনখ্রবা হায়বত্তুরনে ইতা, ঐদি থংদরে—
ইতানা ঐবু মীনা ঙাওয়ে হায়দনবা থর হোৎনবিয়ু
নতাগী থাক্ত কৈনিংত্রবা শমসে থরা শেম্বীয়ু, ফজবা ফী হোংবিয়
ঐদি অমত্ত পাম্মজবরে ঐদি কল্লকতরে সনা-লুপা।"
হায়বনা তিলোত্তমানা মচিমথোক্না মনোরমানা মতাবু
শেমজিন-থাজিনখী, লৈত্তেংবী ইহানিংত্রবা মশাদো—
মতমদুদা হায়রককই—"ঐবু ফজনবা অমুক শেম্মুবগী কান্নখিত্রা
ঐনদি কান্নদ্রে থজ্জরম্বা থম্নাই অমস্থং হকচাংনি,
কনাগুম্বনা ফজৈ নিংথিজৈ থাগৎপদা চুমই থদ্রে ঐ
মহাক্তনা ঐবু হায়রম্বহুদি হৌজিক ফাওবা ফজরিবোই নিংই;
মাগীদমক্তা ফজগে থজি—লৈতেংগে নিংই ঐহাক
মানা পাম্বীজবগীদমক—ঐগী ফজবদো উরগ হেন্না পাম্বীনবা
লুনা তৌবিনবা হেক্ত ঐবু মানা জুংশিন্বীনবা।
অহুবু ইতা, মৈক্লক্তা চাক্লবদি ঐ স্নুক শারম্লোই
হুম্মকখু চায়মবস্থ ঐবু স্নুক থীনা ওৎলমলোই
হৌজিক্তিমা নত্তনা উনথক্তা হিপতুমস্থ ইংলরোই।"

অদিগুবা তাংকক

নোংমদি খংহৌদনা অতিয়া তংখাইরবু লোংজাবীনা
থাখায়মা চুপ্পা লোং চুক্ররবা লোংজংবা মক্তমদা
ভানহল্লবগুম-তিলোত্তমাগী থমোয়দু ভানাইরে।
মহৌশাগী অমোংপা ফীজনা লৈতেংবা গোপিনাথ কন্তুরে
নিংথিবা মমল য়াম্বা ফীরোলজনা লৈতেংলে
য়েংনিংবনা থরুবা মীংক্লানা অতাংবা অরেন-ভাগী কুচুগা
লাকই য়েংনবা নিংথিবী, কিংথৌগী মমোম অদুবু
উবদদা থকচখি হরাওবদা, তিন্মৌ নিকচখি মথমোগদো।
"আঃ 'সুক কুইনা উরুরগা মাদি—" কোংবা ভমজদে
থমোয়গী হরাওবা মুত্তাইবদো থনুংদদি মীদাইদ্রিবা।
"ওঃ নিংথৌ লৈরাং ফজবীওঃ নংবু করম পাম্লিবগে
অইংবা মালংবনা নংবু চাক্কুনা, য়োক্কুনা থমক
অতুগা হায়দু, নহাক্না ঐবু কাওত্থাক্লরা, নুংশিদবরা?"
হায়—চুমথাংগুম থনবা ভমহৎপা নোকফেং মীনোকনা
মনোক্কুনা থমোয় কাওনা পামবা তিনোমা, "ঐবু—
নুংশিদহুনা 'সুক কুইনা লোৎপিবদু ঐবু কমিগী নুংশিদবগে,
নংবু উদ্রবদা থাংবা ভমদনা লৈজরবীনি ঐহাক্তি,
ভসি উজবা ঈশ্বরনা ভবীখনি—ওহোরম মুত্তাইজরে
হায়বীয়ু রাজবী নুংশি লৈনা চাক্কবী ঐবু কমদৌবিগনে—
লেপত্রে পাবুংদা, জুহোংবা লাকইদ্রা, তাং ১৫ দা।
নংবু উত্রবদি লেপচরম্মী থমোয়না 'নংগীদমক শিবা'

অহুব্ ওসিদি ঈশ্বরনা তম্বীহনা উজরে নহাকপু
ইবুংঙো মুংশিবা। ঐহাকপু ওসি পুহনা চৎপিরো,
নত্রবদি ঐহাক শোয়দনা নংগা থুংনদবা তায়
পাঙল শোনবীনি হায়রহনা থৌশাদবা তৌবিগনু
পাঙল শোনবীগী পাল্লিবা থমোয় অসিদি;
হায়য়ো, নংনা ঐহাকপু ওসি পুহনা চৎপিগন্রা?
নত্রগা মুংশিদে হায়না ঐবু থাদোকতুনা চৎখিগন্রা
নংনা অহুম্না চৎখিবদা কান্নব্রবী ব্রানা থাংজবগী ঐসে
লোমহনজখিগে ইশুংলাংগী ঐগী তৌজবনা পুল্লিসে—
অহানবদা হায়খো নংনা ঐবু মুংশিব্রা?"
ব্রাশিংশি তাবদা গোপিনাথ ফুম্বংননা লেপ্পকই
পাউথুম পীবা ওমখিদে তুমিন তৌকম থংদ লৈরকই—।
"ঐগী মুংশিবনি হায়জবনি ঐবুস্থ মুংশিবিরমগনি খঞ্জহনা
মুংশিবিদ্রে—থংজরে—তৌব ওন্মী মুপীমচানা কিবিয়ু
অহুগা মসিমদি থংবিয়ু—লাইবক থিবী ঐহাক্তি
মুংশিবা মশুংলাংগীদমক শিবা হায়বদো পামজরে
ওসি তারিবা পীরাংসে মুংশি—থাংওমদবা থমোয়দগী
নংনা নোংমতদি থংবীয়ু ঐবু হাৎপগী পাপতুস্থ
মুপীমচা অমব্ ব্রাহনবগী দোষতুস্থ—ইবুংঙো নহাক ফংজগনি।
ও: থমোয় অস্নুক শোকহনবা মুপাগী পুক কনমনলি
করিগী অহুক থংবিদে অতোনবী মুপীমচা ঐনা ব্রাবসে—
অরোয়বা মতম লাক্লবদা সমায় লৈহনা চেনবদি।"

হায়ন্বনা তিলোত্তমা মব্রুয়িং হুংশিনা কপ্লমই
পিগী চত্থম চন্থমা মমিংত্তগী তারকই—খঙ্গরম্বগা লাকখদা।
"ঙাইখো, রুপথিগম্বু ঐগী খঙ্গোয়গী তিলোত্তমা—!"
হায়রকপা অহু তাদনা, "খংজরে, ইবুংঙো—
নংদি করিমত্ত খংত্ত্রবোইরে করিহুংগী হুংশিকক্লুবা
অশুক য়ানি খংজরম্ববদি থমোয় কনবা অমবুগ
হীক খোঙ্গেনগা কপ্লকই ইকাই ইকি থাদোকক্লনা
হুংশি চৈনাম্বা পাল্লবা মীওইবদা ইকাই ইকি কদায়দনো?
"ঙাইখোনে তিলো, তপথখো, নংগী নত্তো উবদা
ঐবু ইঙক ঙক্লেনে মীলুসে পিতনা থুমলেদে,
মীংচৎ তানবা চৎলুবনে নপাবুংনা ঐবু হুংশিনবা
হুংশিবী নংবু কংননবা পামজবী নংবু হেক্লনবা
নংবু হুংশিরম্মোয় খনগমু থক্লাইদগীমু হুংশি খঙ্গবীনে।"
হায়রকপদা গোপিনাথনা—। "অহুদি ঙশি পুবিরো
হুংশি নকা য়োইহনবিরো পাম্মুক্লা ননাক্ত কৈহনবিরো
ঙসি হৃমনি চৈলরগা ঐগী লুহোংবা শোইক্লবনি,
নংবু লাকই তাগ্লবদি অমুক মতম ফংজরোই
হুংশিবা হায়বগী পন্থুংদা ইবানি হুংশিনা পুংজনি।"
তিলোত্তমানা হায়রেদো—অহুবু গোপিনাথপু,
"ঐদি লাইরবা মচানে মক্লিক চাক্লিনা মীকনে,
ঐনা করম ঙ্কোগদগে—মীনা ক্লরি হায়নপুগে।
অরাবনিকো— লাইবক মপোক হুংশিববু মমা তাক্লনবা।"

তিলোত্তমানা, "মত্তম অসি য়োৎরবদা মীগী কিহুনা লৈবগা
হুপীমচা অমা হাংপগী অচৌবা পাপতু পুবিবগা
কনানা কল্লি খনবীরো নংদি ৱাখল চাওবনি, হুপানি
হুপা ওইবগী মপোক্ত—মীওইবগী পুন্সিদা
চংজরবা মীগী পুন্সিবু খৱাইনা থারফাওবদা
কনবিদনা তোকপদো তাইবংগী অতাবা জীবনা নোক্লসনু।"
মফম ইকম খংদবা হিংনম খিনম অসিদা
কদাইদগী ৱাখল্লো লাকদবা মমাংদা হুপীমচা অমনা কপতুনা
হুম্না হুম্না হায়জরবদা থাং পায়বা লিশিং লাক্লসনু
বোম, তোপ নোংমৈ য়াওরক্লসনু অমুক থাবা ওয়্যরোই।
"লেংবিরো ইবুংঙো তৌওম্বী ইনাক্তগী হুংশিবীদবনা ঐবু
লাও লাওহুদা, ওকতুনা কয়াদা তৌবা ওম্বা হুপীমচা অমনা
অহুবু নংবুদা হুংশিজবননি—ঐতনা লাঞ্জবনি
ঐতনদা ৱাজবা মতিক চায় তৌজবা খবক্কী মহৈ ফংজবনি—"
হায়হুনা তিলো নিংবা কায়না চংগে হেক তৌবদা
"চংখিগনু, ঐবু থাদোকতুনা অমুক চংগ্রগনু
নংবু হুংশিবনা চাক্লবা থমোয়গী অৱাবসে কোক্লসনু
তিংথোরকউ নহাক্কী নিংখিবা খুদাংদো নংবু পুহুনা চৎলগে
অথৌবা কনানা হুংশিজবী খৱাইবু পুহুনা থৌনা উৎপগুম।"
হায়হুনা তিলোত্তমাগী মথুৎতো পায়বদা—তিলো,
নিকচখিবনা মশা পুম্বা খংহৌদনা থমোয়দগী ঈহৌমানা
"মানা ঐগী থুং পায়রক্লবা—ওঃ হুংশিবা নংহাক্তনি"

খল্লি, তুজুং মানজুংনরবী খমোয় অমুগা লাংলিবা
অমুক্তা মুংশিবা মুপা কনাগা খুং শোরুদ্রিবনা—
মতমসিদা কৌরকই—"ইতা! তিলোতমা, তিলোতমা!"
য়োরকই মফমত্তুদা, "কৈদৌরমইবনো ইতা, নংদি মফম অসিদা
পাবুংনা নংবু হুংহৌরে থোরক্লগনি ইতা লাকও!"
"ঐবু অমুক খাম্মগনু ইতা, ঐগী মুংশিবী মনোরমা"
গোপিনাথকী খুং অহু থোইনা কল্লা পায়শিল্লি—
"নতাগী অরাবদো ওসিদগী কোকচরুরগে মহাক্লা লাক্লিঙৈ,
নতাগী থরাইসে অহুম তৌহুনা হিংজরগে ইতা;
অরাবদনা নৈরবা নতাবু অমুক মুত্তাইবা ফংহনবিরো—
চৎলসি, ইবুংঙো, ঐবু মাং থানা পুবিরো
পাংদবী মুপীমচা অহুনি খনবীহুনা মুংশিনা
নংগীদমক ঐনা কুইনা রাজরকপগী মহে ফংহনবীরো।"
হায়রকই তিলোতমানা খোংথাং অম'নি থাংবা হৌই—
মনোরমানা—, "ইতা, পাবুংগী অশাওবা মৈনা নথক্তা তারবদা
ইতানা করম থাংগদগে ঐদি খনবদা রায়দা ইতা,
লৈবাক রাথোক ওইরগনিদো মীপুম খুদিং থংনরগনিদো
অরোইবদা নংবু অচাকপদা নংলগনি—অমুক কায়নহুনা।"
হায়জে শাওগনবা নিংথৌহুবু খনবদা মতাগী রাবনা—।
"থোক্লবা হায়বহুনি ইতা, মুংশিবা মনাক্তা মীকুপ মতং লৈরম্লগা
থরাইসে থারবসু পেল্লগনি ইতা, রারবী নতা ঐসে।"
হায় তিলোতমানা—খুম্মকই মনোরমানা—

"ফরে চৎলো ইত্না, নহাক্না 'হু য়েনো শক্লবদি
নতাসু ওস্বমখৈ ইত্নাগীদমক্ত হোংনরককেক্লো ইত্না চান্নরী,
ইতাগী যুংশিন্নর-ও ঐনা হায়জরিবসিনি তুম্বাইনদি তোকপোই
থুরেক্ত শেন্নবীয় নুংদি মপানি অচৌবা রাথোক্ক অমগী—।"
থল্লুবদা থুম্বা ওমদে গোপিনাথ পুম্নমক খংবনা
থুংক থুংক শম্মহুনা তিল্লো-গোপি থোরকই
অনি' মতৌ উরদা মনোরমা খোঞ্জেন থোক্ক রূপন্থেকই।
নিংথিরা খুলাপ্ত অনিনা লৈখোকে 'মদা শ্নাংলগা
মালংবনা হুম্মরু থুদিং লৈনা লৈনা খেংনবগুম
তিলো-গোপিনাথ অনিনা থুংশ্রম্ননা চংল্লগা
মফম চাবা অমদা পুশিল্লুনা থৈনবা হোংনরে।
মপাবুং নিংথৌনা থোরক্রুপদা মনোরমানা কপ্পা উরুনা,
"কৈদোরে—মনোরমা—নত্তাদি" হংলকই।
পাওথুম প্নীরা ওমদে মনো কৌবনা, "চংশ্নরে" খুন্নকই।
শাগুবনা মৈ হৌখ্নরে প্যাওহু তাবদা নিংথৌদো
অথুবা থবক প্নায়খংনরা হোৎনরে পুলিশশিংগী মতেঙনা।
অসোমদনা, গোপিনাথনা ভিক্তোতমারু—পুত্রনা
মমান্নবা ধর্মগী যুমদা রানা রান্না থুংখরে।
অথেংবা অহিংনি ১৪ নি পানরা থাল্লা শোক্নি
হৈ-হৈ, লৈ শাংপ্না পাস্বী মচাশিংগী লৈকোম্নি
য়েংশিল্লুরবসু অপ্নিকপা উমং মচা 'মা অহিং
বনদা হায়রবসু অশেঙ্বা 'লৈরোল, মচা মরুনি

পুক্নি মচা অমম্থ লৈ মপান কোয়না মুংমা খাই
অতাম্বদা উখল্লি মনাপুংবা উশিং ভুম্বক ভুম্বক লোপ্পা
নোংখক্কনা অঙৌবা লৈচিনশিং অমুবা অত্তিয়াদা পাইবা
তগুপ তরেংবা খক্নানমিচাকশিং—গ্রহশিং—
অসিগুম্বা পুক্নিং শুমহৎপা মকমসিদা অচিকপা
ন্নানা খাংজরবা অনিদো মুংশি মৈনা চাকপদা
থুংক থুংক শন্নহুনা অশংবা নাপী মথক্তা—
তোয়না উনন্নিবা মাইশিংদো অঙানবা খাবল মঙালদা
লোন্না লোন্না য়েংনজৈ হায়দোকবা ইরাংনা থুমহৎলকই।
উনবা য়াদনা য়েংথিনবা মুপা নুপী ক্কাওবদা
পুক্নিং শুম্বা মকম অসিদা কয়াবু কুইনা য়েংথিনগদগে?
পুনলিবা শমবুলনা হোপ হোপ হৈজদবনা মুপীমচা ওইবনা
কীনা থুম্বা ওমদবা শরুক্কা ভৌরুনবা শুলাপকী মচুনি
অচাপোৎ ওইনা থোক্রুবদা তিলোমুক চানিংবা লৈরম্লোই।
দনাবু মানবা কুচুন শকতা শাবান্দা হেন্নবনি—গোপিনাথ,
মকম পংলাপ লাগুনা তবলা, হায়মোনিয়ম যন্ত্রশিংমা ইন্নবা
ংপাগী মুংশিবা ঈশৈ 'মা থোগৎলরি থমোয়'নিদা
কনা লৈচন্ত্রে খংলবদা ওইনবা য়াবা মকজদা মুপীমচা ওইবীনা,
'কয়াদা মুংশিবা ঈশৈনো 'মুরু মুংশিবা মক্কমসিদা
হা: স্বর্গ নত্তবু, হইথুবা থাম্বা মন্নুরে—থুঈদি।"
হায়রকই তিলোনা—। "মিগুম্বা মুংশিবা মকমসিদা
ংগা-ঐগা থুংশন্নবা হন্না-ওন্নাইনা মংপাক্লে

পুন্সিসিংনা ক্লেমত্ৰিমখৈ ফংবা ওইজগেকো, হেঃ ঈশ্বর।"
হায়রকপদা গোপিনাথনা, "ওইজগেকো হোঃ ঈশ্বর!
ইবানিবু মীকুপ মতং কাও থাদোকহনবিগনু—নংদা অহুম তৌবদা
নংসে মীহুংশি চাওই হায়বদো ঐখোয়না খংজগে।"
"থাদোক্লহনবিগন্নুকো—হোঃ ঈশ্বর!" অনিমক লেপ্পুনা য়েংনৈ।
অমেংবা ঈশৈ তারকই, "শমলাংনা ল্লাই ল্লাই তারিঙৈ
কুমলংনা নাপদা চিল্লিঙৈ মুংশিবা নংগী ল্লাখলদা
তুম্বা-হিপ্পা খংদনা ল্লাহঞ্জরুইদো মুপীমচা ওইবানা,
মুংশিবা নকা য়োরবদা থমোয় থমোয় শিন্নরবদা
থল্লাই থল্লাই ওইরহুনা থল্লাইদগী হেন্না পাম্মুহুনা
ঐনা নংবু মুংশিজবা করম্বা লাইনো ফত্তবা
ইবানিবু কায়নহনগে শিল্লকবা হোঃ মুংশিবও,
হুম্মকলো মালংব ও হৈনম লৈনম পুহুনা,
হোঃ ঙাল্লিবা আকাশকী থাজ তাম্বোকপিয়ু ফত্তবা লাই
অরোইবা মীকুপ ফাওবদা মাগা ঐগা লোইমিন্নজগে—।"
"কনানো 'স্নুক থেংবা অহিংসিদা স্নুক মুংশিবা ঈশৈশকপা?"
হংজরকই তিলোতমা ইকাইরপ তোনা গোপিদা,
"মুংশিবা হায়বা লাইরেম্বীহুনা ইবানিগীদমক শরুমাল্লে
খুমহুনা লেংগোম্নহুনা লাকমিন্নৈ উরুম অমা তাল্লা
ফমথনৈ—খাংবা ঙম্নদহুনা মফমগী শুমহৎপা অহুনা
তারি মুংশিবা ঈশৈহুদি মতেক মতেক মুশি মুশি—
মালংবনা হুম্মহুনা হায়ররী, "মুংশিবা-মুংশিবী"

উচেক ৱায়াশিংনা· লক্করক্লি লৈশিংনা ইকাইশিন্ন লৈরক্লি
পামেলখক্তা শাংপা লৈরাংশিং লক্লহুনা থিকথরক্লি
শেকপী কৌবী অহিং চেক্লা খাংঙমদহুনা পাইখরি
অতিয়াগী থাজনা ইকাইহুনা লৈচিল্লক্তা লোংখরি— ;
ওঃ কদাইদনো সর্গগী লৈকোল হৈরাং লৈরাংগী উমং
অৱাংবা অচৌবা ফুবা পোম্বী চেক্লা চিল্লোরুবা
থমোয়না থমোয়দা তম্নবা থমোয়না অমত্তদা পুন্নবা
সুং সুং কপ্পগী খোঞ্জেন্দুনা, "তিলোতমা, ঐগী তিলোতমা।"
হায়না কোল্লুবদা শাওরংনহুনা ইম্বোরকই তিলোনা।
ও! অঙাং ওইরবী তিলো, অনিশুবা থৱাইনা
অহানবা থৱাইদগীসু হেন্না সুংশিবা-অনিশুবা থৱাই!
মাবু য়াওদনা অহুক অঙাং ওইরিবী নওনা করম হিংগদবা
কৌজবা নত্তনা, "সুংশিবা!"—শোম্বাংননা তাহুনা
"সুংশিবী!" হায়না মেংনা খুম্মকপা অথুম্বা খোন।
খুংশম্নহুনা চংলকপদা—, "সুপাশিংমুক তৌবা ওম্বা—
ওঃ সুপীমচাশিংবু সুপীমচা কৌবা লেপহনবা তৌবওম্বা
নখোয়বু সুপামচাশিংনা করম কিজরোইসিবা।"
"সুপামচাশিংবু সুপীমচাশিংনা তৌ'ওম্মী কিশিন্নবা
থমোয়সুংদনা লোন্না পামজবা কনাগী ৱাখল্লা ওাওবা।"
"করিগুম্বা, সুংশিবা নহাক্কী থাজসিমক মানবা 'মা
থমোয়সুং অসিদা চংখিহুনা ঐবু ৱাহল্লবদি—।"
"ওঃ মমা, থাজগী মমা—সুংশিবগী থৱাই—।"

"থংই—মুপাশিংগী মচিন্দি য়াম্না লমহেল্লি।"
"থংহুনা মুপীমচাশিংনা লমহেনবা ৱা তানিংই হায়বা।"
"ঙাওশিন্নগনু, ঐহাক অঙানবী থাজগী মমাংদা ইকাইজে"।
"নোংইনবু থল্লুরগা ঐহাক থাজবু ইকাইবা লৈতে।"
"অহুনা হায়নৈ নুপাশিংবু মমায় কনবা হায়না।"
"নুপীশিংবু হায়নৈ লোম্না তৌবা ওম্বী, ৱাশিন্নগনবী।"
হায়না হায়মা চংলকপনা য়ুম অমা ম্রৌরক্লবদা
ইকাইখিগনবী অহুগী অমোনবা খুৎপাশিংহুমা লামথহুনা
থাজমকপু মানবা গোপিনাথকী অহাওবা চিন্দুদা
মোংবা কৌবী চেক্লাহুনা অমুনবা অঙ্গুর উনবগুম।
চংলকই অপেন-নাইদবা থমোয়নদি য়ানিংদনা
অনানবা মরুপকী কা অমদা থর্ম্মগী ফজরবা য়ুমগী
ফম্মিন্নে ফমুং মথক্তা অনিদো, হায়রকই গোপিনাথনা—
"তিলো, হয়েংদি শোইদ্রেদো মপাবুংনা ইথানিবু কারবা
মতিক চাদবা ইকমদগী মুংশিবী মচানুপী নংবু লৌথোক্লবা।
"লাকচসনু, পাবুংনিংথৌ—লমহেনবী অচা ঐবু লৌথোক্লবা
ঐনা নংবু মুংশিৰনি হায়না কৌন্দুনা লৈজগনি।"
"মতিক চাদবা মপাগী মতিক চাদবা অচানি ঐদি—
অহুবু তিলো—ঐগী লাইরিক অমা World Literaty
Competition.দা
ঐগী ওজানা হৌংনখিহুনা থাগৎখি—মাওজি
মহুগীদমক মতম থয়া পাবুংনা চৈরবা হুন্দা উদরম্লি।"

"করি লাইরিক্লো, নংগী ৱাহৈ তাবদা হৱাওইদা
মতিক চাদবা হায়বহৈ কোকহল্লিংবনা ইপাবুংগী 'মমাংদা
মঙ্গল ওইরকপা ওইসন্থু ঐনা থমোয় শেংনা নিংবমক্তা ওইরবদি।"
"The Doom of the Sailor কৌবা লাইরিক্কি
হীহোনবা তাইবং হীহোনবা মুপা'মগী অন্নাবনি,
The last doom of the sailor is to go to sea
Where he was born and bruohgt up as a sailor.—
অ:রোইবা শরুক্তগী অরোইবা পরেং অমনি—
অসি থংলবা নহাক্লা ঐবু হৌজিক মতিক চায় খল্লোবরা?"
"ঐদি মহৌশাদগী মতিকচাবহুনি হায়না মুংশিজরকপনি
ঐগী মিংতদি হীরানি, মনিনি মুক্তানি—মমল য়াম্বনি, ফজবনি।
নংগুম্বা মচা পোকচবনা লৈবাকসে লমন তোল্লবনি।
অচম্বা এম, এ লাক্ষনা কৈদৌগনি—ঐখোয়না তায় গান্ধীদমক
সাধু কয়া লৈশন্থু খংই ঐখোয়না—বিবেকানন্দ, পরমহংস
পোক্লমগনি এথেন্সকী সহরদা লাইরিক হৈবা, নিংথৌ মতমহুদা
খংই ঐখোয়না সোক্রেটিশতমক পৃথিবীমা খংবা।
ইচা চাম্মা পোক্তুনবু কৈদৌনগদগে—অফবা অমত্তংনা লোইরে,
অফবা অমতং য়াওবদগী মী কোটি লৈবা লৈবাকপু ফাওহল্লি
লৈবাক্কী অফাওবনি নহাক্তি অতাংবা অথোইবা লন্দুনি,
মীপুম খুদিংনা হায়নগনি লৈবাক্কী তাংলবা লন
ঐখোয়গুম্বা মীচম্মা ননাকফাও নকপা ফংলোইদবা।"
"নহাক্লা ঐহাকপু য়াম্না থাগৎপিরেদা তিলো,

য়েংঙো, পৃথিবী অসিদি অফাওবা মশিং লাকওমদ লৈরিবনি,
ঐগী ঐবু খাগৎপা পামজবা ওজাহুনা পামজহুনবা তৌবনি,
হীরমসিদা কনানসু খংদে, কনাদসু ইবানিনা হায়দোকলুদে,
অহুবু মীং কাওবা পম্নবসু লাইরক্তুবু পৃথিবীগী চাংয়েংদা
ঐগী ওজানা হায়—নমথোক্তুনা পৃথিবী শিন-থুংনা য়েনগনি।"
"খংই—ঐনা অথোবনি হায়বা নহাকসে—ইবুংঙো
পীকলিঙৈদগী ঐহাক অফবা মীশক খনবগী গুন'মা লৈজে
অহুনা ঐহাক্না নহাকপু মোৎচরবসু, ফি শেগায়বা শেৎলবসু
মৈতাল মরক্তা লৈবা সনাগুম—ঐনা মমল য়ামই খঞ্জবসে।"

"তাউ, The blue vast heath of the dancing sea-wave calls him to come and rest for ever on the sea bed where the breeze blows flattering the sweet notes of the lovely nymphs whom he loves most.

হীহোনবা মুপাসিনা তাউন্দা, সিটিদা, থবক শুকম কয়াদা চৎলুরবা, মুঙাইবা কয়া য়েংউরবা, মী কয়া থেংনরুরবা তুংদা নিংশিংলকই মহাক্না "মহাক কৈদৌবা লাকপনো?" হায়না খুমজে, "ঐদি হীহোনবা লাকপনি" অহুদগীদি মহাক চৎখ্রে, হী হোন্দুনা সহুব্রদা মানা মুংশিবী সমুদ্র

হেলোয়শিংগী নাক্তা

ইরোই লোইবদা—

"Then he sails off and on until he merges into the horizon with his tiny boat and disappears, no

one sees him again. How far he has sailed off on the blue sea where he came from to the world.

কীজেংনা মীথ্ খেন্নহনবদি য়ারোই—ৱাঙাং, ৱাখলতনা খেন্নদি
নংনা ইনাকথুন্নগা নিংথৌগুম ফী শেংপা ওমই
তৌইগুম্বসুং নিংথৌগা নংগগী ৱাখন্দুগদি হেক্তমক মখেন্নগনি,
কনাদগীসু ঐহাক তম্মুবা লৈতে, লৌরুবা থিরুবা লৈতে
তম্বী ঐবু তাইবংপান অসিনা ঐগী ৱাখল অসিদা
য়াই ৱাখল অসিনা ভাওহুনা মীনা তৌনদবা তৌবা।"
"অঙাওবা ওইরবসু মুংশিবা অঙাওবা, মুংশিবা অঙাওবা
ঐনা পামজবা মুংশিজবহুনা অঙাওবা হায়না লক্লরিম্বা—
অহুবু সমুদ্র মন্নুংগী মুক্তাগুম ভান্দুনা লৈরম্বা—
লাইবক ফবদগী ঐনা মতম চানা থেংনহুনা খুঞ্জহৌবা।"
নাচোম শেম্নবা লৈরাং অনিগুম পুনশিন্দুনা থম্নবা
নোঙাল্লবদা—অতোপ্পা তাইবং অহুদগী থোরকই
মুংশিবা মনেমহুনা লাক্কুনা তিলোবু কোনবীরে
মমা লৈজত্রবী তিলো অনৌবা মমা ফংবদা হন্নাওজে
"ইমাদগীসু হেন্না মুংশিবা ইমা, মুংশিবগী মমা।"
থঞ্জে তিলো থমোয়নুংদা মুংশিবগী পোৎ থুদিং মুংশিবা।
"অন্নাবনি কনানো, ঐখোয়গীনি হায়না হন্না য়েংবদা
কনাসু লৈত্রবা মতমসিদা নংনা তৌরকলিবা মতৌসিবু
অচম্বসু নত্তবা নিংথৌগী মচ, লিংজেল থাবা নিংথৌ,
ৱাজবা তায় পুক্লিং ৱারিকপা ওমদবা মুপামচা নদোম—;

আঃ ইবেম্মা ইমাগী ইবেম্মা, ইচাগীদি থল্লায় !
শাথিবা নপাবুংনা ইমা 'চাবু লাক্লবীরনি থল্লীদবোই
হৌজিক্তি নংজবা তারেদো অয়ৌবী অল্লাবদো ইমা 'চাদি
ইবেম্মা—নংবু ঐনা মুংশিদবদি নত্তে—ইচাগী থল্লায়—,
শোয়দনা ওইরগদবা ফীভম অত্থু হায়জবনিনে ইমানা।"
"ইমা! মুংশিবী ইমা, নচাগী থল্লায়না হিংলিমথৈদি
ঐগী ইবুংঙোবু ইমাবু কৈদৌমুংদা অল্লাবা তাহজরোই।"
হায়নরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা ধর্ম্ম ফিংনা চংলকই—,
"ইন্দোল, থানা লাক্লে, গোপিনাথ করম তৌসিগে—?"
"তৌনিঙাই হায়ববু করিস্থু লৈতে ফাহুনা মনিং তৌজবতনি।"
চংলকই থান্না সিফায়শিংহুনা সুরেম্মা পুহুনা লাকইবা
"য়াম্মুং, নচনবু মুংশিবা ইবুংনি হায়বদাই—
করিগীদমক নচনগী নিংবা থুগাইহুনা ফাবিগে লাকলিবা
ঐগী থল্লাইনা তাজবা মনাক্তা পুন্সি লোমগে থঞ্জবা
মুপাহুগী মনাক্তা ঐহাক চৎচরবনি লেংবিরো য়াম্মুং—
নচন ঐবু চাওনা লুহোংবিহুনা লুনা তৌবদো মীমাংদা উৎপিরো।"
"পংগমুনে, ইবুংগী ইবেম্মা তিলো—নংগী মুঙাইননবগীদমক্লিনে
লাকও চৎলশি ঐহাক্তা হুন্দোক্লমলো লমহেনবা মুপামচাদো।"
"ঐগীদি থল্লাইনিনে য়াম্মুংগী লমহেনবা মুপামচা অসে
মাঙোন্দা তৌগদবা খুদিং ঐঙোন্দা তৌবিগদবনি।"
থানাশিংনা চংশিন্দুনা গোপিনাথপু পুল্লি—,
"ঐবুস্থ পুল্লু—মাগা ঐগদি থানবা য়াদবা লাইনা শেম্বনি—

ঐ-মা অপুনবা হকচাং অমত্তনি লখোয়না খল্লকখিনি।"
"ইবেম্মা, ইবুংগী হুংশিবী তিলো, করিনো মহু চৎনবে
লাও, ইবুংগা মুত্তাইনা চৎশি লাও কনাবনু করিসু তৌরোই।"
পূরে কোর্টতা অনিমক পুখোক্লে অচাবা থাক্না পান্দুনা
মবুং উকিল অনিনা লেপ্পি মাকনমদগু মখোয়গী মরূপ।
জজনা, "সুপীমচা! নংদি অত্তাং ওইরি চহি ১৮ গুপ্তি
অতুনা মুপাসিগা নবানি কায়নবা তায়—
মতম চায়বা মতমদা নবানি অমুক অথিংবা লৈতনা পুনবা যাই।
মরালগী মতুংইন্না সুপানি খা তরুক জেম্মা লৈবা তাই।"
"ওঃ জর্জ্জ সাহেব! ঐদি মাগা কায়নবা ওন্থোই
সুংশিবা কায়নবগী মৈচাক্তো নংনা খংলহনা তৌরকখিনি,
মাগা কায়নবা হায়বহুদি হায়বীগনু ঐত্তোন্দা—
জেলদবু তৌরকনু, যুমদবু লৈরকনু ইবানি পুম্না লৈমিন্নজগে।"
"য়ারোই সুপীমচা—নংনা কোর্টকী আইন খুদাইবা য়ারোই।"
"ওঃ জর্জ্জ সাহেব, নংসে লাইরিক হৈবা আন্দেদকো—
তাদরা শাবী-শামৌ কয়া হুংশি কায়নহনা পিনা—
ঐগুম্বী সুপীমচা অমনা শিববু অয়াইবনি খল্লবদি
কায়নহনবাযু মাগা ঐনা হুংশিবগীদমক ঐহাক শিজগে—।"
মহু তাবনা মবুং শুনেম্মা, "হায়রহেদে, চিলো হায়রহেদে।"
"ঐগী খন্নাইদি মাজিদে নুংবু—মচমগী সুংশিবা শিরাহনে,
খুরুমজরি ঐহাকা অতোম্বি লহায়না হুংশিবিননদি
ঐব মাগা লাপ্লহনবিকানু—ঐবু মুৎশিবা ককদি থাদনবাই।"

চর্জনা—, "ফুগীমচা অসি মমা মপাগা চৎখিবা য়ারে
মুপা অসিনা থা ৬ কী জেন্দা লৈবা তারে।"
মতমসিদা মপাবুং নিংথৌ চংলক্লা হায়রে—
"ইপাগী ইবেম্মা মুংশিবীও, ইপাগা চংশি লাকওনে।"
"পাবুং তৌবিগম্মু, পাবুংদা নচানা খুরুমজগেনে
ঐদি মাগী 'নাক্তা লৈজহোগে মাগী নাক্তা লৈজহোগে?"
"কোয়া অমুক থিনবীগে ইপানা হায়বা ইল্লুকো
ইপাগী থল্লাই নহাক্কি ইপাবু মুংশিত্রবরা নহাকপো।"
অসি হায়রুনা তিলোগী খুদাং পায়রুনা চিংই।
"পাবুং নচাবু মুংশিবা মাগী নাক্তা থম্বীরম্মু"
অসি হায়রুনা তিলোতমা মপাবুংগী খুৎতগী নাম্থোকই
গোপিনাথকী মখোং কোন্দুনা হায়জরকই তিলোতমা—
"করিনো, মতাং অসি য়োরফাও মুংগুম লেপতুনা লৈবীবসিবো
ঐস্থু ননাক্তা লৈজহোগে মুংশিবা ননাক্তা লৈজহোগে
উংলো তৌবা ওম্বা নংগী মুপা ওইবগী থোদাংদো—।"
"কায়রোই তিলো, মাগুম্বনা করিস্থু তৌবা ওনগদবা লৈতে
কোটনা লেপজবা য়ারেপ মানা হোংদোকপা ওয়োই।"
"করিনো পাবুংনা মুংশিবা নচা ঐঙোন্দা তৌবিরবসিবু
হিংচা য়াইতম্বগুম অমুক্তা তৌখিত্রিবা হন্দক তৌরকলিবসিবে
পাবুংবু ঐগী মুংশিবা ইপাদো মাজরকত্রেদা—।"
"করি তিলো!" চংশিন্দুনা তিলোবু চিংথোকই
তিলোবা গোপিনাথকী খোং কোন্দুনা থাংজে.

ওপাক্লাওয়; তাইবংপানবগী মওং অসি উবদা
নোঙ্গাংবোক্, হজোইবোই থমোয়সে কৈদা 'মা ভোথরে"
হায়রকই গোপিনাথ—থাজ্ঞমদহুনা তিলো মতৌ উবদা
কোলশিল্পকট তিলোনা, "মংশিবা। নংবু থাহুনা চৎপা
ঐদি থক ওমজরোই—থরায়সিনা থাদ্রিমখৈ।"
মপাবুংনা চিংথোকই—অয়েংবা মীপুম কপ্পদবা য়াওদে,
ওমত্রবদা পুলিশ খরা চংলক্ননা নমহাহুনা চিংথোক্লে
ত্থিলোনা ক্রিং-ক্রিং চোংনা কপতুনা, "ঐবু পুবিগন্
ঐবু মাগী নাক্তগী পুবিগন্—মাগী নাক্তা থম্বীয়ু"
হায়হুনা খোন থোক্না কপ্পা লাওজে—তিলো।
অয়েংবা কনাগী থমোয় শোক্তবা য়াওদে মতৌ উবদা
মপাবুং নিংথৌবু থিনা হায়নবা ওাক্তা ওাইগ্রে— ;
"ঐ মাগী নাক্তগী চৎলোই—পাবুং, ঐবু মাগী নাক্তা থম্বীয়ু
নত্রবদি পাবুং ঐহাক শোয়দনা শিগনি, শোয়দনা শিগনি"
থানাগী থোংনাও পায়হুনা ফনা থাংজে তিলোতমা—
মপাবুংনা ওমহুনা ওরাংগী সর্গদগী মর্ত্তদা কুমকপওম
য়োরকই কোমুং কপ-কপ্পুনা মমাবু কৌহুনা।
"ইপাগী তিলো, য়াত্রবদি ইপানা হায়বা নংনা
শিজগ্রগে ইপা—মাজিষ্ট্রেট দোরেনসিংহগা হয়েং লুহোংলসি
নংনা অহ্ব, য়াত্রবদি নয়াম্মং সুরেনগা ইবানিদি শিজগ্রগে
দোরেন—মপাবুং ইঞ্জিনিয়ারগী মাংদা সুক ইকাইবা নংবদি—
রাধা নংদি থংইরোই নংগী নচানা ঐবু য়াহনবনে

লাকলগেনে ইপা 'চাম্বু মনাক্তা লৈমিরম্নি অমি লৈবাক্তা।"
পিস্তোল অদু উৎতুনা মাগী মুপাবু কৌতুনা হ্গাই।
"পাবুং, সিবিখিগনু পাবুংমা হায়বা ঐনা ইঙ্গনি
মুংশিবা ইমাগী মনাক্তা পাবুং নংমু চৎনিংখোইরে—
লমহেনলবা নচা ঐহাক চৎচখিগে ইমাগী মাক্তা
মমা য়াওদনা লৈবা মচানুপানদি তাইবংপানসিদা
অন্নাবনি, অন্নাবনি পাবুং, অন্নাবনী মশক্নি।"
অসুম্না য়ানহুনা মথংগী মুমিংতা তনহোং হোংনবা শেমশাখে।
অহিংচুপ্পা তুম্বা য়াদে—ৱাখন্দুনা, "মানা জেন্দা লৈহৌয়বা
ইঙুংলাংগীদমক্তা হাঃ মুংশিবা। ওস্থোক্না থমোয় চাকইদা
খল্লু খল্লরগা চাক্লে থমোয় অসে কুমগৎলক্লেনে—
ঐগা কায়নরবা, মাগা ঐগা লৈমিন্নরবা!
মুঙাইদকো পাবুং—মুংশিবা মচাগী মকমদা
তোবা ওম্বা উৎতুনা পাঙ্গল শোনবী ঐগা শিংনবিবা—
পাঙ্গল শোনবীনিনা নচাদি অতৈনা লমম খুম্বা ভমজরোই
শিবা নত্তনা—শিবা নত্তনা মুংশিবা নচানা— ;
হে মতম, নংনা থাবুম্নু মরইহনখিবা য়াই
মগুণ চাওবা মুমিংপুম্নু মুংহনখিবা য়াই
প্রশান্ত সাগরবু নংনা চাংহুম শুইহনখিবা য়াই
হীমালয় চাংজাওবু অমংগী অপাক শুনহনখিবা য়াই
অত্থুবু ঐগী 'থমোয়দি মাগী ৱাখলনী থক 'হোংজরোই'।"
ৱারোই তিজো অমুংখিং অমত্বং : মপাবুংবু

কায়না মৈশা লাংলবদা থাম্বী মানা চুরম্বগুম,
ওজা সুরেন্না তাহুনা গোপিনাথনা জেন্দা লৈবসে
সুংশিবা ছাত্র অমুবু জামিন পীহুনা থাদোকহল্লে
তৌবা ওম্বা খৃষ্টিয়ান কলেজগী মমিংচৎপ ওজানি।
"নংবু অরাংবদা থাঙ্গৎকনি পাৎতা শাৎপা থম্বালনা
লাইগা মন্দির কাবগুম অউ থুদিং গুম্বগুম—
হেক্কুনা কৎলুরিবা অমুদি অরাইবা মীচম-অমনম্মু ওমই
নিংথিবা থম্বাল অমুদি কনানা ওট্টবা ওম্বগে?
ওঃ সুংশিবা, নহাশিংগী থমোয়বু কায়হনবা
নংবু শেম্বা লাইহুমকপু চৈনাসিগুম পান্দবরা
নহাশিংবু লাক্লনবগীদমক্তা মহাক্না শেম্নকপরা?
নত্রগা মহাকমক সুংশিবা চৈনানা পাল্লবদা
থাংওমদবা মথমোয়গী অম্বাবমু কোক্লনবা
সুংশিবা হায়বসিমকপু খংহৌদনা শেমশ্রবরা?"
অস্মুন্না হায়নহুনা খেমজিনবীরকই—গোপিনাথপু—
চৎশ্রবদা মাগী ওজানা ঝারবা থমোয়হুনা ফুল্লকপনা,
"ওঃ তিলো, নহাকপু সুংশিবনা লৈবাক্তা অতাংবা লন্দো
পুন্সি—সুংশাংলোইদৌরি লমাথাংদা কেমদৌরি—
মাংহন্নীংদবা ইশাসে নংগা থংনক্লওেদগী
নংবু উদনদি ঐ লৈবা ওম্নরোই—নংনা লুহোংশ্রবম্মু—
আঃ নংনা ঐগী থোং কোম্দুনা, 'ঐদি মাগী নাক্তা
লৈজহৌগে।'

তিলোগী খোল্দুনা নিল্লকই মাইকে মরিদগী পাইরকই—
"মুংশিবা মনাক্তা লৈজহৌগে, ঐবু থল্লারস্থু
মতাং অসি য়ৌরকাওদা মুংশুম লেপতুনা লৈবীবসিবো..
মেনলি মনাকোংদো মথুংনা পায় থমোয় মপাদা থুংনা
"মুংশিবী তিলো, ঐগী থল্লাইদগী হেল্লা মুংশিবী
নংবু ঐগীনি হায়ত্নুনা তাইবং শিল্লা লাওরগে।
অত্তস্না অল্লাংবদা শাংপী লৈনম চাওবী লৈ
পাম্মী, মুংশিজ্ঞে হায়ত্নুনস্থু ফংগুমদবী লৈ;
মোইথেম তৌত্নুনা খোইমুবু অল্লাবদা লংথরবল্লা
অত্নুগা হরাওত্নুনা নংনা লোম লোল্লা মৌল্লবল্লা?
চুপচরুই লৈহৌনি থন্দুনা থমোয় পেল্লা
চিক্লেনে থমোয়ত্নুংসে হু ওইরমত্নুনা;
থল্লুবদা ভাওরে মুংশি নতৌ খোইরাংবদো
মোমোল্লগনবী, কায়না মৈশা লাংলক্লেদো
থাদোকপা ভমজ্রবা মল্লাইকাবা থকলুবগুম
নংগী মল্লাইদা ঐগী ইশাপুল্লা লুপগ্রবগুম
নঙোন্দগী লাল্লা লৈবা ঐহাক ভমজররোই।"
অস্থুম থন্দুনা মাজিস্ট্রেট দোরেনসিংগী খোঙাল্দা
চৎলুরে হজ্বৎ হন্দা মাগী মুংশিবী তিলোবু উবা যৎনবা
ফুগনি-চৈগনি হায়বগী কীবা লৈত্রে মাঙোন্দা।
উবদা মুংশিবা মাগী মনক্তো শাকস্না লৈবী চৈরোতম
-থমোয় কনবা দোরেনগী মল্লমদা মমিংতা মপি তাত্নুনা

অমোনবা থুং তিংথোক্লুনা, “ওঃ মুংশিবা।
নংদি কায়না মৈনা চাব্রবোইদো মুংশিবনা ডাওরবোইদো
হোঃ অডাওবা মুংশিবনা ডাওবা নংগী তিলোদি—
নংবু থাদুনা পাইরে হায়বসি নংদি থংজবোই।
ফজবা নশক, অথুম্বা ম্রাঙাং, অশেংবা থমোয়
লাও, চংলকউগবা ঐবু মুংশি হায়না চৈংনা ‘মুক্তা কোথাগো
অহুম তৌবনা পুন্সিগী নিংবা থুংবা শর্কচগেনে।
নশুংলাংগী য়োরম্মগে অশি লৈবাক—ডাইজরমগে মুংশিবও।
হায়না খাংবা ভমদনা তিলো গোপিনাথপু য়েংহুনা
“মুংশিবা” “মুংশিবা” হায়না খোঞ্জেন থোক্না কপতুনা
ম্রানা ম্রানা লৈবনা য়েংবা ভমদ্রবা ইমুংহুনা
মপা নিংথৌগী মকমদা, “নিংথৌ, নংনা ঐথোয়বু ম্রাইল্লিদা,
তিলোদি কপ্পা তোকপা লৈতে গোপিনাথমু মুতিংগী লাকই
করম্বা কনাগী মচাগী শাক্তংনো ঐথোয়দি থনবদা মম্মোদা।”
ফংবদা পাওদো ঈ কায় নিংথৌদো শাওবনা গোপিনাথপু
মশামক্না চৎতুনা নোংমদি য়েংভুরগে মথল্লে—
“ময়ুম পানব্রে থংলবা মুপীগী মকমদা মুপানা
খুরৌ ওইরবদি কয়ি ওইবা তাবগে—ঐঙোন্দা থোক্লফাও।
থংগনি মচং লৈতবা মুপামচা অদো—ঐ তৌগে।”
হায়রুনা চৎলে নোংমদি দোরেস্রগী মনাক্তা—।
মুমিদাংম্রাই ওইরবদা গোপিনাথ—তুমিন শোৎ শোৎ—
ভবদদা শাওথিবনা নিংথৌহুনা চোংথোরক্লুনা নারোন্দগী

"হায়, অঙাওবা! তাইবং চৎনলোল খংদবা মুপামচা,
কৈদৌবা লাকইরনো নংনা মফমসিদা তোয়না লাকপদো
ময়ুম পানগ্রবা মুপীমচা অমগী ইজৎ মাংহনগে
মপুন্সি মাংহনগে অসি নত্তরা হায় শা।" হায়না চৈরকই।
"নিংথৌ নংগী মীচৈনা ঐবু অমুক কীহনবা ঙম্লরোই
কনাগী নোক্লবনা ঐবু অমুক ইকাইহনবা ঙম্লরোই;
নগুণ চাওবা নিংথৌনা অথোইবা মনি অমবু
অরেম্বদা মাংহনগদৌরি নিংথৌগী অহেনবা শাজৎনা,
নিংথৌ নংদি খংইরোই নচাবু খুদোনপোৎকুম খনবনা
ঐগা কায়নবগী মৈচাক্লা ওন-থোইনা খাংলি তিলোদি
ওঃ মুংশিবা, মুংশিবা হায়হুনা খোঞ্জেন থোক্লা কৌরি—
নংদি নিংথৌ মুংশিবগী মগুণ খংদবনা মুংশিবা লৈত্রমাল্লে
অমুক মুংশিবা য়েংবা ব্লাবা মতৌসে উবদা
লমলানব্লা ঐদসু পুকচেল থোৎলে মুংশিবা পোক্লে,
নিংথৌগী জাৎতা পোক্তুনরা নংনা থমোয় সুক কনবসিবে।"
হায়রকই গোপিনাথনা অকি অখং থাদোক্তুনা—
হায়রকই শাওবনা মথোং মরম খংদ্রবা নিংথৌহুন।
"নংগুম্বা অঙাংনসু ঐগী চীনথক্তা খুম্বা শাই—
নংনা ঐঙোন্দসু তাকলি—হাঃ হাঃ পু-পাং শুনা য়োক্কবা
মচাগী মুংশিরা খংদবা হায়নসু খনবশারি নংনা—
অঙাওবা অমোৎপা নফমদা পীনিংদবনা ইচাবু
মুংঙাইজগদৌবা মফমদা—ঐনা মাগীদমক্ত খন্দুনা

অহুগা নংনা ঐঙোন্দস্থু তাকপা শাই—অঙাং।
খংউ, নবানিগী মুংশিনবদো কাওঞ্জে মাদি
মুপীগী খুৎতি অশৌবা সনা মহীদা মুপ্পা ওমই"
মুপীগী মীৎতি অপাকপা লুপাদনা তাংহনবা ওমই
নংগী মুংশিবা হায়বহুদি খুদক্তা নমহৎপা ওমই।
"তাকপগী মরমদদি নিংথৌ, ঐনা নঙোন্দগী হেল্লবনি
অহুস্থু পৈশানা কৈদৌনবা সনানা করি কান্নবা
পৈশা য়াওদ্রবস্থু সনা লৈত্রবস্থু হিংবা য়াই মাঁওইবনা
ফংহুনা লেংদ্রবা মাংদ্রবা মীংচৎ কয়া—মীথোয়না।
ঐদি নিংথৌনি—ইচা লাইরিক হৈবশিং লৈবনি পোংহুনা
অঙাওবতা চাহুনা, অফবতা শেৎতুনা জীপ কার তোংহুনা
ঐনা মহেল্লবনি খল্লিবা পুন্সিদো নোক্নীংই—ঐদ
জীপ কার তোংদবা নমান্নবা কোঙ্গায় পৃথিবীসিগী
ফংনগ্রেনে মুৎনাইদবা লেংদবা মীংচং তাইবংদা
চেন্দুনা সাগরগুম্বা খম্বা নাইদবা অচৌবা পুক,
অহুবু কদায় নিংথৌ পৈশাগী 'থক্ত মপানগী জ্ঞান য়াওদনা
নংদি মুঙাই খন্দুনা লৈরিবোইদো অফ ফত্ত খংদনা।"
"ইয়া, মুপামচা! ঐবু হুক থীনা হায়বদি লমহেনবা,
অঙাংনি মুংশিহুনা ঙাকপিরগা ঐহাক্লা নংবু"
চোংশিন্দুনা খোংপাক্লা কাউই, "অহঃ" হায়না ব্রাহ্মে গোপি
"খংলবরা' লমহেনবা, নংগুম্বা অমা হাৎপদি
কনানা কৈদৌঙগনি ঐঙোন্দা—থরোই পুমহাম থুগাইবদা

তাহৌরো, য়েংহৌরো মীপুম খুদিংনা তাইবংপানসিদা লৈরিবা
ঙসি নিংথৌনা লমহেনবা, লমহেনবা মুপা'মবু হাৎলে—
লমহেনবা কনাগুম্বসু চেকশিঞ্জৌ হায়না উৎলি।
কল্লকচাওবা, মীহৌচাওবশিংনা মীগী মুংঙাই-য়াইফবু কল্লকই
কল্লক্তুনা মীগী মাংনবা শরৌ শিল্লকই ;
মুংশিবা হায়বসে কল্লকপা অপাম্বগী মথা পোনবনি
অপাম্বা, কল্লকপনা মুংশিববু নমহৎত্তুনা ইচাবু পাম্বনি
নখোয় খংদে—মুংশিববু তুক্কৎচবনা ঙমই হায়বসি।
ফজ্রবা মী, মুংশিবগীদমক শিবদো নং ফংজরবনি
ঐনা পীরিবা চৈরাকসে মুংশিবগীদমক্তা মতিক চাবনি ;
ইচানুপীনা নংগী মোংফমদা শিগে তৌরক্লবদি
ঐহাক মুংশিববু মথৌনা লৈ হায়বা থাজগে।*
চেনথোরক্তুনা ইমুং হুপ্পা দোরেন্দ্রগী ইমুংনা
য়েংলরে তৌরিবা মতৌদো নিংথৌনা নিংঙাইদনা
কনাসু ৱাবা লৈনদে মী অমা হাৎপগী মশাদা -
খন্দুনা সঙ্গ ফবা মতা, ইমুং-মনুংনি
অনকপা পামেন্দা অমুবা কাক অমত্তনদি তেংথাবিরি—
পাও অছু কম্না হোৎনছুনা তিলোতমাগী মনাকোং য়োহনখিদে—
মী অম'নিদগী মঙা তরা মথং মথং য়ামথৎলকই।
মীয়াই চল্লবী মুপী'মা নোকমি নোকমি তৌহুনা চেল্লকই
মীয়াম তিল্লিবা মকমহুদা ;হংজরকই—থেংন খুদিং

*ঐগী গোপি উবরা ঐগী ইচাদি অথোইবনে

লৈবাক অসিগী মনিনে তাইবংপানবগী মৈরানে
মানা Literary prize ফংগেনে, গোপি, ইমাগী গোপিনাথ"।
মীয়াম তিল্লিবদো য়োরকই—"ঐগী ইচা য়াওবরা ?
ইচানা মনা ফংলেনে, ঐগী ইচা উবরা ?
ইচিন-ইনাওশা, ঐগী ইচা উবরা ? ইচানা ইবা লাইরিক্না
পৃথিবী পুম্নমক্তগী হেন্দুনা Literary prize বু ফংলেনে।"
মাগী য়াম্নু তাবদা ময়াম ইগুক গুক্লা য়েংনৈ,—নিংথৌনা—
"ওইংথোক্তবনি, অঙাওবগী মমা অঙাওবীদো লাক্লে,
পীখো মাগী মচা লমহেনবসে লমহেনবগী চৈরাক ফংলবসে।"
ময়াম লম্বী থাদোকই—"কদায় ঐগি গোপিনাথতি
নংগী ওক্সানা ঙাইহৌরে—ইচানা মায়পাক্লা হল্লক্লে।"
"সিনি" তুরিবা গোপিনাথতা থিন্দুনা হায়।
"ইমাগী ইবুংঙো করিনো নংনা তৌরিবসিদি
ইমাদি নাংজরেদনা, তাইবংনা করি হায়নগনি
ইচাদি তাইবং মরম্নি তাইবং পুম্বগী মনিনি
হায়তুনা হরাওজববু ক রনো নংনা তৌরিবহুবু।"
চংশিন্দুনা কোনথংলি মতম্বাক্তা পমথংলি
থরায় য়াওবগী মমি উদে, "ইমাগী ইবুংঙো করি মতৌনো
ইমাদি মাংজরেদনা ইমাদি লোইরেদনা—
কনানো ইচা হাংপা ঐবুসু হাংতোকপিয়রো—
হাঃ নিংথৌ অপংবা, লৈবাকী লম্নি মহাক্তি
তাইবংপানবগী মৈরা পায়বা লমজিংবনি—

নিংথৌ, নংদি ইচাগী তুবুম নাম্মা ফংদবনি,
ঐগী ইচাদি তাইবংনা খংনরবনি, জগৎ লমজিং মৈরানি
ইচাগী মুঙাইবা মুমিংতা ইচানা তৌরম্বা মতৌসি উবদা
ঐদি জ্ঞান মাংলেনে—ইমাগী ইবুংঙো, ইমাগী থরায়— ।”
ৱাস্থখিদো গোপিগী মমা অহুম্—মতম্বাক্তা মচা পমহুনা।
মতমসিদা লাকইনে জীপ'মা য়াংনা থৌহুনা—
মীয়াম মনাক্ত থামহুনা—“কদায় ঐগী গোপিনাথতি ?”
হায়হুনা স্নুরেন কুমথরকই মমা-মচাবু উবদা—
“ঐদি মাংলে গোপিনাথ, থরাইদগী হেন্না নুংশিবা গোপিনাথ
হাঃ ঈশ্বর! মরাল কয়ান্না লৈহুনা 'স্নুক থিনা তম্বীবনো ?
ৱানা লৈজরকপনি খর শাফরগনি—হায়না খল্লি
অহুবু কদায় ঐগী গোপি—নরাইবক অস্নুক খিবসিবো ?
নংদি মীথোয়বনি মীপুম খুদিংদগী অহেনবনি—
নখোয় পুম্নমকম্ তারো—মাদী লৈবাক্তী অতাংবনি
তাইবংগী লমজিং মৈরানে লাইনা পীবা মীশক্নে—
মাগী লাইরিক—The Doom of the sailor হায়বহুনা
লিটররী মনা ফংলবনে—অহুনু কদায় মহাক্তি”
ফুরিংখাওদগী লাইরিক পুথোক্তুনা হায় স্নুরেননা—
“মাবু কনানা হাৎপনো কপতবা ওমদে—এহাক
তনৌবা নতৌ উবদা, কল্লক্কবা ওমদে নহাকপু
নত্তিক নপা চাদনা অহুক বুদ্ধি লৌশিং ফবদা—
নংদি চৎলবোইরেকো, হীহোনবা, হোঃ হীহেনবা!

I want to go there where I can walk enternally
Thingking the land's short journey.

চৎলো, মুংশিবা অঙাং, হৌজিক্তি ঐনা তৌবা ঙম্বসে
ঐগী ইকোক অসি নোন্দুনা মিৎতা পি শিম্বহুনা
নংবু ইকাই খুম্নবা নঙোন্দা ভক্তি কৎপা সিদনি" ।
সি হায়না সুরেন্দ্র খোঞ্জেন থোক্লা হিক হিক কপই
লৈবাক্লা মশক খংনবা ঙজাগী মতৌদো উবদা কপ্পদবা য়াওখিদে।
নিংথৌনা লাইরিকতু লৌহুনা পারে—নিংশিংলকই
"তাকপগী মরমদদি নিংথৌ ঐনা নঙোন্দগী হেল্লবনি—
হেল্লি, হেল্লি, চুম্মীদনা নংদি ঐঙোন্দগী হেল্লিদনা
ঐদি শক খংলুদরে—ঐনা লাল্লে গোপিনাথ।
পুথোরকউ ইচাদো ঐগী মুংশিবী তিলোদো
মতিক চাবা মুপা অসিদা অরোইবা ভক্তি কৎচহৌনবা" ।
থোকচরকই তিলোত্তমা অরোইবা ভক্তি কৎচনবা
মমা-মচাগী মতৌ উবদা পেন্নরিবী তিলোত্তমা
রা'ম ফাও ঙাংবা থোকখিদরে 'কৈদ য়েংবা মীনো খংখিদরে
নাপন্থদা তারকই অয়াকপা খোঞ্জেন অহুগী
"মুংশিবী, ঐগী থল্লায়গী তিলো, ঐগী থল্লায়নে"
কৌজে, "ঐগী থল্লায়গী গোপি। নংদি চৎলবোই
ঐবু লাকও হায়রবোই মুংশিদকো মুংশিবা। মুংশিবা—
ওহঃ চিক্লে পাম্বুং। ইমা। গোপিনাথ—গোপিনাথ"
হায়না তিলো মথুক পায়হুনা কম্নথখি, খুদক্ক লেকথখি.

ময়াম[illegible] [illegible] 'তুঙ্গিল নৈমে—"খোইহাংদুং খোইহাংদুং" হায়[illegible]।
গোপি 'মা লৌশিং তারকই, "থুডাইদকো তাইবংপান
থুডাইনা শেম্বা তাইবংপাননে পেনখীরোকো নহাক্না।"
"পূম্নমক ঐনা লাল্লবনে ফত্তবা হায়রবা লাইথুমা
ঐবু হৌজিক চারসন্থু ঐসে হৌজিকমক তুম্নসম্থু
মাগী লাইরিক্ত হায়জরি—The boat is only for him.
He can't go with somebody else, but with
beloved's soul."

ডাক্তর, থানা লাক্তুনা তিলো, গোপি পুখরে
পুকচেন চাওবা থুরেম্না মিংথৌ মিংথৈ লৈজখ্রে
খুদোংথিবা তাবদগী ডাকপিথি—অহুবু নিংথৌ,
অহল মতম্না ওইবগা চোইরোল পারোম্দুনা লৈজরে।
"ইপাগী তিলো, মতুং ইঙ্গরম্নবদি ইপা পেল্লগনি।"
হায়, নিংবা ফায়রবী মচাসী মতৌ ভুবদা নিংথৌদো।
অঙৌবা ফীরোল শেংতুনা মকোক মরু খুমহুনা
মচি 'মদা অমুক লেপ মচি 'মদা অমুক চৎ,
মচিন্দা মুরুম মুরুম শোন্দুনা অমুকন্থু হেক হেক নোকতুনা
মতা কনা তিম্নদনা গোপিগী লাইরিকা লৈজরে কোম্লুংদা।
গোপিগী ওজা থুরেম্না অপোকপী মমাগা চংতুনা
সাহিত্যগী মেডল লৌকরে মনা অহু পুরক্রে
মাংখিবা মম্নাম্বা থিহুনা গোপিগী ইমুং লেপহল্লে।
পৃথিবী, শিনবা থুংশি গোপি-তিলোগী মপাওসে

অত্তাবদা ফুঙ্গ্বিদ—থবর, যেগাক্কিমশিংগী চেক্লানফি
মাগী লাইরিকপু পায়গা মীপুমগী থমোয় কায়নখি।
মাগা ওজা শুরেম্না অচৌবা কলেজ অমথক
গোপিনাথকী মমিংদা মাগী মুক্তিপা লোইননা
লুপা চংনা শাথরে—অয়েংবনা পেন্নখি।
অনি অনিনা থুজিং ওই শাখি অচৌবা কলেজদো
অয়েংবনা হংলগা খুম্নে—“অমমা গোপি, অমনা তিলো।”
পৃথিবীনা শোয়রহৌই—“থাইগী মুংশিবা মকম।”
লাক্লীংবা মতমদা তিলোনা গোপি ’মাগী মাক্তা লাক্লুনা
মনিং তম্না শান্নরৈ মুংশিবা লাইরিক পাক্তরৈ
কৌবী গোপি’মানা তম্নারা, “ইমাগী ইথেম্না তিলোত্তমা।”
থুমদে তিলোত্তমা—মোযোক্তমক মনোকই।
করিগুম্বা মতমদনা অচৌবা কীরোল অতুপা
গোপিনাথকী কলেজদা চংতুনা মকম ’মদা ফমজরকই
মফম .খুদিং য়েংহ্না কোইনা কোইনা চংলগা
হায়বা তায়—“Thus began the life of a sailor
Who came to fight the sea of world ......
The boat started veerinb and trying to capsize
as he broaded it ; O, mother sea, lo !
Thy son comes to the to get thy kindest hand.
I want to go there where I can walk eternally
Thinking the land's short journey.
The blue vast heath of the dancing sea-wave—

Calls him to come and rest for ever on the sea-bed
Where the breeze blows flattering the sweet notes
Of the lovely nymphs whom he loves most.
Then he sail off and on until he merges
Into the horizon with his tiny boat, and
Disappears ; no one sees him again, how
Far he sailed off on the blue sea where
He came from the world."

হৈজ হন্নিংবা মতমদা তিলোত্তমা ময়ুমদা
কনা'মত্তনস্থ মহাকপু থিংবীদে হায়বীদে, ভাংবীদে
অউবনদি শোট্নে—"হুংশিদকো নিংথৌমচা তিলোত্তমাসে।"
মরুপ মপাংশিংনা হুংশিনা কৌজে য়েংবা নত্তনা খুমদে-তিলো।
নোংমদি মতা মনোনা,—"ইতা খরা হুংঙাইরবরা?"
"হুংঙাইরে ইতা,—ঐগী ব্রাবা হায়বসিতংবু
মানা কৈদৌনি লাকনি হায়বা অসিতনিনে ইতা।"
মতাগী ব্রাশিংসে তাবদা মনো পিরাং কংজখিদে।
নোংমনিদো তিলোসে থমোয়দা লাইনা পরুবীসে
হুমিং মানা থোরকপদা অয়ুকী অঙনবা মতমদা
হৈ-লৈ মনম্না হানা মালংবনা হুম্বদা
ভাইবং মীথোয়া লাংব্রিজৈ পোম্বী চেরানা হোদোক্রিজৈ
কৌহনা থোরকইদো ইমুংদগী, "গোপিনাথ, গোপিনাথ।
ঐস্থ নহুং ইল্লকে কৈদা চংলবনো নহাকপো—
চংখিগস্থ—ঐবু থাহনা—ঐগী হুংশিরা-ও।"

পাংদবীগী থব্বার-ও, হাঃ গোপিনাথ, মুংশিবা।"
খোজেন অমনা অমনা নিম্নকই, "তিলোত্তমা, মুংশিবী,
তাইবং মীগা শম্নহৈদবা অশি লৈবাক স্কৌরে ঐদি।"
ফীঙৌ শেৎতুনা লেপ্পা উই—তিলোত্তমা খুৎ-তিংনা চংশিল্লি
"ঐস্থ লাকে গোপি—, থমোয়গী মুংশি খোয়ব-ও—
নংবু য়াওদনা ঐদি ইদোম লৈবা ওমজরোই
য়েংজনিংই অশি লৈবাক নংগী নতুং ইজনিংই।"
"লৈগনি, মুংশি ননাক্তা লৈগনি, ঐনা কদাইদা চৎলুনি
পাংদবীনি থংইদো স্বাজরবীনি ঐনা উরিদো
ঐনা নংবু থাতুনা চৎপা নহাক থনগনু, তিলো।"
"ওঃ মুংশিথোইব-ও থমোয়গী মুংশি থোইব-ও"
য়েংজৈ হারাওনা মুংশিবা মাগী মাইখোংদো
"ঐগী মুংশিবা থমোয়! অচিকপা মকম অহুদা
অইংবা নামিবা মুংশিংনা ভপ্পা নথক্তা হুমশনু
চেক্লাশিংনা মুংশিবা নাওশুম ঈশৈ শকসনু
নংগী নতিক নগুনসে লোইবা মাইদনা লীনসনু
ইবানিগী মুংশি স্নারীদা অতাবনা পি শিন্থশনু
নং ঐগী মুংশিনবসে তাইবং মীপুম্না থংলশনু—
মথংগী মপোক অহুদনু নং-ঐ মুংশিনবা ওইরশনু— ;
গোপিনাথ—গোপিনাথ—নংবু কৌরগা ইংইনে
ঐগী থমোয়গী মৈশাসে—ওঃ ঐগী থব্বার—গোপিনাথ।—
থজুবদা চিক্লে থমোয় হৌশ্রবা মুংশি নভোশিংদো।"

[illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ,
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] , [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible]—[illegible] [illegible] [illegible]".
[illegible] [illegible] [illegible]. [illegible] [illegible] [illegible]"
"[illegible] ঐবু [illegible] [illegible] [illegible] !
ঐমু নতুং ইমকে—ঐবুমু নংমা পুক্কি।"
লোম্থে চোইরোম-পাৰেন্দো নিংথৌ মচা তিনৌদো :
লোইশিংলিবনি [illegible] [illegible] মুক্কগী [illegible]
চাদে হায়বগী চিংনবগী লৈজরে [illegible]
তুমদে হায়বগী [illegible] পোক্তরে নিংথিবাদো,
ওইজরে খোইদাক [illegible] অতোবা [illegible]
লৈজরে থন্দুনা অমম্ব [illegible] মাগী [illegible]
কুপ্পা ওমদরে [illegible] লাংবা মপাদো
তুকথবনা মথৌ [illegible] কোইম্না ওনবা মাংমাদো
মোমোন্তমক নোক্কে 'তাবাবা' [illegible] চানবাদো
পাথং কয়াগী [illegible] তাখিদরে [illegible]
[illegible] তাইবং [illegible] কায়নরে [illegible] নত্তোদো !"
[illegible]-সেরোক্তা [illegible] [illegible] [illegible] ;"
[illegible] [illegible] [illegible] মচাদুগী [illegible]-ওং।
তাইবং শেম্বা [illegible] 'শিক্তবা [illegible] [illegible]
[illegible] ! [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।